বীরবল



লোপাং নুংক

চি থাম নোদিয়া
খোয়াখোং পোলেম লৈকাই.
ইম্ফাল।

যা কোনজ... ৪



খোমজিনবা,
খোয়ৗলাংবা,
অকোঙবা— নোদিয়া

মখুম য়েকপা :— বেদামসিং

অহানবা লাউম :— মশিং ১০০০

মমল :— লুপা ৭·০০

ছাপা নম্ফম :— আর, কে, প্রিন্টরস,
পাওনা বাজার, রোড, ইম্ফাল।

ৱাহৈ অনিদং

পাইৱক লৌশিং লৈবগীদমক বীৱবল মখিং চংলি। মহাক্না ন্যায় অমসুং ৱাজনীতিগী কাংলোন মুৱা থংবা মীনি। অকবৰ বাদশাহনা মহাকপু মুগল দৰবাৰদা অচৌবা কৰ পীবুনা সন্মানগা লোয়ননা থম্মী। অকবৰগী পুকচেল চাউবা, লৌশিং লৈবা অমুগা ৱাজনীতি হৈবগী প্ৰমানদি ইতিহাসনা তাকই। উচেকী মৰোল উচেকনা খংই। বীৱবলগী পুক্নিংগী অক-অথেন অকবৰনা ওনবা ঙম্মী অমুগা অকবৰগী পুক্নিং ৱাথলগী লমথৈগ্ৰ বীৱবলনা য়োবা ঙম্মী। মথোৱ অনিগী চুঙশিনৱবা থৌশিল-কাংলেনগী পঙ্গোয় মসুংদা মুগল সম্ৰাজ্যবু মৱা চেংনা থম্বা ঙমখি। ৱাজনিতি অমসুং লৈঙাক-থৌশিলগী চিনপ্ৰবা, পোংথাকম লৈৱবা অকবৰগী পুন্সিবু শান্তি পীবা ঙম্বা অমুগা অকবৰবু থৌজাল অমসুং দানগী লম্বীদা পুন্সিৱকপু ঙম্বা মকওইবা মীদি বীৱবলনি হায়ৱবা ৱাই। মথোৱ অনিগী পাথোং-ৱাকোং তাবদা থম্মোৱ পানবা মীওই কয়ানা পুন্সিগী লাক্লোং খংজহৌই। পুক্নিং—লৌশিং ওৱজহৌই। অমুম তোনা মতম অমুগী চাৱোল-নাউৱোলশিংগী পুন্সি ঈচেলবু অকবৰ-বীৱবলে অনিনা। তোব্ব'ান ওইবা ঈৱমদা পৱিং তানা চেম্বহনখি। মথোৱগী লমচং পাউতাকপু হৌজিক্কী মীৱোম্না কিদম ওইহৌৱি।

'অকবৰ বীৱবল লৌশিং পুকৈ' হায়ৱবা লাতম মচা অনিমা মনিষী অনিগী ৱাথল লমবৈদগী থোৱকপা। ৱাহৈ ৱাতা, ৱাহং পাউ-খুম খৱদং থুনগংচৱগা ভদ্ৰ-সমাজগী মাংদা থমজৱি। মসিদগী

মখোয়গী থোক্ল-চম, নীতি ব্যবহার অমসুং রাখক্লোন থরদং করিগুম্বা শৈমগত্রা হায়না খাংনা ত৷ৌজৈ। পাক্নিরিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংগী মায়থোংদা খোমখোন-ক্লৈসাং অমত্তং তম্বগা লোয়নগা পুন্সিগী-চিন্নবা লাল্লক্তা মীকুপ অমতংদা ওইরবসু পোংথামবা হোংনজবা অসিনা অয়েংবগী মরুওইবা পান্দমনি। অতুগা ঊকপকী মরাক-তাত্রিবা সাহিত্য-লুককোয়দা শিংজু মথেল অমত্তং ওইহনজবা অসিমসু পাম-জবানি। মসিদগী মীগী লোন্দা নৈবা খুমাইরোনগা ইনাংকা কয়া করিদা মায়বগে অমসুং থেম্বগে হায়বগী পাদম অমসু হায়কেং থংবা ওৎপনি নীংজৈ।

সংগ্রহ মচা অসি চুডশিন্নবা হোংনবদা লাইব্রেরি মচা অমসুং চেকোং কয়াদগী মতেং লৌজৈ। মরুওইনা হিন্দী প্রচারক পুস্তকালয়গী লাইব্রেরি মচা অহনদগী অয়াম্বা মচাক লৌজৈ। অইবনা অসুম্বা থাগী-থাথোং থয় লৌজক্লবা মীওইশিংগী লমন ত৷োনশিনজরে অমসুং মখোয়বু থাগৎচরি। লাইব্রেরি মচা অসি কোংদোকবগীদমক মনিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শেনগী মতেং পীবিরকই। মসিগী-দমক অইবনা বিভাগসিগী থৌশিনুপপু থাগৎচরি।

সংগ্রহ অসিদা অরাংবা কয়া লৈরমগনি অহুগা মতুংদা হেন্না ফজহনবগীদমক্তগী পাউত৷াক-মচাক পীবিরক্লবা অইবনা বিজ্ঞ-সমাজদা নোক্ননচরি। মথংগী লায়রোন্দা মহুগী মখি তাহনবা হোংনজগনি।

থোরী লাংবা।

রাজা বীরবল

ইংরেজী ১৫২৮-২৯ কী চহী অমাইদা বীরবল পোক্খি। মহাক বামোন [illegible]। মহাক্কী মচা মোং—[illegible] শিংগা লৈরম্বা রাজা-মহারাজা কয়াগী মফমদা [illegible]। লোইনবা খাঙলি, মহাক সংস্কৃত, পারসী অমসুং হিন্দী [illegible] মিংচিন্না হৈ। অকবরনা মিংথৌ [illegible] তাবা [illegible] কপা লেপখি। অকবরগী দরবারদা মহাক [illegible] মীওই অমগা বীরবলগা অমনি। মহাকী অপোকপা [illegible] লৌই। অকবরগী দরবারদা মহাকী অচৌবা মীংথোল 'রাজা বীরবল' হায়নি কৌখি।

বীরবলগী লমচৎ সবা, লৌশিং লৈবা অমসুং থৌনা-লৌশং যাবগী মরমদা অকবরনা মহাকপু অচৌবা মফম পীখি। অকবরনা [illegible] 'দীন-ইলাহী' হায়বা ধর্ম অমা হোৎনখি। মসিগী [illegible] হিন্দুদি বীরবলনি। অকবরনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লম পীখি। মসিগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] পীরবা অকবরনা নঙি লৌখি। মসিগা [illegible] [illegible] [illegible] বীরবলনা কৌখি।

[illegible] [illegible] লেপ্লবগী [illegible] [illegible] লৈবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

মথনবা অকবরনা লম্মী থাবা তাখি। অদুগুম্বগুম অমত্তুং বীরবল অনিগী ময়ক্তা অমবু লান্নপচিংবা ওইনা থানিংলম্মী। ঐ মখেং অনিদা মমিং মথা ইরগা লৌখংলদা বীরবলগী মমিংনা হাঙ্গা কয়লে। বীরবল সেনাপতি ওইনা ওইনা লাম্ফা চংগদ্রতাখি। লাইবক শীবদগী অফগানগীশিংগী অকনবা আক্রমনগী নোংদৈ ময়ক্তা বীরবলতু য়াওগে। মহাকী অসিবা হকচাং কাওবা থিবা কংখিরে। বীরবল শিখিবগী পাও তাবদা অকবর ওবথৈ লৈতনা মুংতাইখিদে। ফুরিং কয়ানিমুক চয়া হেনখি। লাইখুরম্বা কাওবা লেপখি। কনি মরমগীদমক বীরবলবু লান্দা থাক্কবনো হায়না নীংঙমদবা পোকখি। অকবরগী অয়োইবা পুন্সি কাওবা বীরবলবু কাউখিদে।

অইবা—

—)(—

'ঐবু হান্না হাংগিয়ু !!'

অকবর বাদশাহগী দরবারদা বীরবলবু য়াম্না ইকায় খুম্নৈ। মসি উবদা মী অতৈনা য়াম্না কল্লকই। মুসলমাননশিংনদি মহাকপু 'কাফির' হ য়ধনি ধর্ম তিংন্দবা অমসুং চৎনবী থংদবা মীনি হায়না খল্লি। মহাকপু শীজনবা মীশু য়ম্না লৈ।

ঈশৈ হৈবা অমসুং শকপদা তানসেন অকবরগী দরবারদা য়াও য়ম্মী। অকবর তানসেনগী সংগীত বিদ্যাদা পুক্নিং ওয়বহংখি। মুসল-মান প্রজা অয়াম্বনা তানসেনবু বীরবলগী মহুত্তা লীরোন ওইহল্লিংতি। নোংমদি মীওই খরনা বাদশাহদা হায়রখি— "বাদশাহ, জহাঁপনাহ! তানসেন হায়রবা মতিক চায়রবা নিপা অসিবু বীরবলগী হেন্না চাউবা কমদা হাপ্পীয়ু। নত্রবদি বীরবলগী মহুত্তা তানসেনবু হাপ্পীয়ু। মুসলমান প্রজাশিংগী মায়পেন্দগী ঐখোয়না হুজুরদা হজৎচরি।"

অকবরনা হায়ই:— তানসেনগা বীরবলগা চাংদমনবা য়ারোই। তানসেন্দি ঈশৈ হৈবনি। অতোপ্পা হীরমদদি করিমত্থংদে। বীর-বলদি লৌশিং লৈ। খোঙজোন থংতি, রাজনীতি হৈ। অসিগুম্বা মতিক চায়রবা মীশক অসিনা লৈবাক্কীদমক হেন্না কান্নগনি খল্লি।

বীরবলগী য়েন্নবশিংহ্ না তাংবদি ওনখিনে অহুবু পুক্নিংদদি পেন্নবা অহুম লৈ। মতম খরগী মতুংদা নোংমা কোন্নুংগী করিওম্বা খৌদোক অমদা তানসেনা ঈশৈ শকখি। ঈশৈহু হুংকাইরনখিহুনা

মীয়াম্না 'বাহ ! বাহ !' লাউখি। বাদশাহনা মশা শীগনি লাউ-
খোকখি। মতাং তাদে খঙ্গুনা বীরবলবু য়েংবা থম্না অক্কে বাদ-
শাহনা হায়কখিঃ— "হজুর ! তানসেনবু থকিব তাবা মখাদি তুক্তৌবা
কয় অমা ওইনা থিজোকপিয়ু। মহাকপু বীরবলনগী হেক্না চাউখৎ-
থিয়ু।" মরামদুগী অপাম্বা কবিনো হায়বদি অকবর তাব ফাই।
হুখিং অহুদি মরাময়ু ঐংথক্লগনা তোকখি। অকবরনা মহুত্‌তা
মরোল চপ মান্নবা চিথি অনিথক ইহল্লে। চিথিশিংবু ভোজন
তোজারা কেংশুনা চারুপ মমশিল্লে। মথং হুখিংকী পল্লবাক্তা তান-
সেনবা বীরবলগনা চিথিশিংবু অহুম্ব পীরগা হায়রকই— "মখোয়
অনি অনিমক বর্দ্ধমেশ তাকা চৎকনা য়াল্লে। বর্দ্ধমেশ হেক লৌবগা
চিথিশিংদি নিংথোরা শিন্দগলবনি। সিপাই অহুম-থম্বিগা লোয়রকো।"
য়ামা অয়োমবা পাউজেলনি লমথাংদা চিথি অনি হাংবা য়াক্লোই।
অকবরগী য়াথং পুরহুনা মখোয় অনী বর্দ্ধমেশকীদমক থোংশ নবা
তারে। অকবরনা সিপাইশিংদা হায়খি— মখোয় অনিদি বর্দ্ধমেশ
লৌনবা থিজ্রো। লমথাংদা চিথি হাংবা য়াদে কেকশিল্লা লেল্লো।"
অকবরনা বীরামদা লাউথোকখি— "বীরবল অমসুং তানসেন অনিমী
অহানবা চাংঙে ওইনা বর্দ্ধমেশতা থাজিবসিনি। লৌশিং লৈত্রবদি
মখোয় অনিমক হিংনা হল্লকপা য়াই।" মহু তাবদা তানসেনবী
মরুপ মপাংশিংদি য়ামা বানখি।

বর্দ্ধমী লোমহুং হেক লৌবগা মখোয়না চিথিশিংবু নিংথৌদা
পীশিল্লে। চিথিশিং পঙ্গুবা চপমাজবা মরোলনা ইমথী— "চিথি

পুথিবা মী অসি হেক মৌরকপগা হাত্তোকপিয়ু।" নিংথৌদু য়ায়া ঙকখি। মহাক্না হায়ি— মখোয় অনিমক য়েংবদগি অকবা মীওই ঙাক্না ওইরমগদবা য়াদি। করম্বা মতাম লৈবদগী শিবগী দথি পিরিবনা? নিংথৌনা মন্ত্রিগা য়া তায়রে। মন্ত্রিগী পাউতাক অদু নিংথৌনা য়াম্লিংলে। নিংথৌনা বীরবল অমসুং তানসেনবু চিথি-শিংদু-উবরে অদুগা হায়রকই— লোকেই মহাশয়! হিন্দুস্তানগী বাদশাহনা নখোয়বু বর্মাদেশ দৌরবগা হেক্না হাপ্তোকপিয়ু হায়না হায়রি। নখোয়না বাদশাহদা য়ায়া চাউবা অয়ানবা তৌরবা তাই। অদুনা বাদশাহনা য়েংশিন্নবী অসিবা হকচাং অদু কান্না হিন্দুস্তানদা লংশেকপা পায়রে। অমুক্তম মরমসিদা থারকবনি। অদুবু ঐনা নখোয়বু হাপ্তা অমগী মতম পীগনি মসিগী মরুদা নখোয়না তৌরবা নয়ানশিংদু শেংনা শেংনা তাকখোকউ। অদু ওইরবদি মন্ত্রিগা থরগা কনবা য়াবমু কম্বা হোৎনগে।"

বীরবলনা নিংথৌবু নোমুক্না থুক্নী। অদুগা মপুক্কি দা মহাকী য়াঙাং কজবা অমসুং মত্তো মওং নিংথিবদুবু থাগৎখি। তানসেন্দি থাদেশেংনা তথায় অমা শিবদৌনা তৌরে। মখোয় লুকথখিবদগী হুদংকনি হায়বা কাউরে। মখোয় অদিবু ... থমলে। তানসেন্দি কম্বদা মপুন থিংলে। বীরবলদা হায়খি— "চানবুবা মরুপ। করি তৌসিগে পাদা অমত্তা পুথোকশিয়ুনে। ঐনা নহাক্কী নকমদ লানখিবা করাদু য়াকপিয়ু"

বীরবল —"করিগী মুংশা থিরিবনো মিয়াঁ। নখোঁনা ফুখোকউ। শিবা কিপনু। নরিল থৈংনু। মী পুম্নমক শিগদবা তাকনি। বাদশাহগী পুক্নিং পেম্নবা শিত্নম শিদোকসি, করি হায়বগে?

তানসেননা মখোল নীক্লহনা—'মহারাজ। ঐগী মুপী অচাংশিংনা মতৌ করম্না লেপহৌগনি। ঐদি থবায় য়াম্না বারে। উপায় তামতদি পুথোকলিয়ু নহাক্কি লৌশিং চংউবনি।' বীরবল তানসেনগী মতৌ য়েংবা মু তাইরে। মানা হায়রে— "করে মিয়াঁ: হিংনি লবদি ঐনা হায়রমথে তৌবা তাইদো?"

তানসেন— করিগী তৌরোইদগে সাব। নহাকী থৌপল নত্তনা ঐগী করিগুম্বা উপায় অমত্তা কৈত্রবনি, তাকপিয়ু করি তৌসিগে?

বীরবল—য়েংউ মিয়াঁ। হাপ্তা কাবা মুমিত্তদি ঐখোয়বু হাংকে হায়রনি, মতম অহূনা নহাক্না হায়গদবদি "ঐবু হায়া হাংপিয়" মসি হন্না হন্না হায়দুনা ঐখোয় অনী হানবা তাম্নগনৌবনি ঐমু মহু হায়দুনা মাংদা চংশিন্নকনি ঐখোয়না কৈরনগদবনি, চোংশিন্নগদবনি, তাব তায়ত্রা? হায়া শিবসি মুম্নগদবা।

তানসেন—"য়াম্না ফনি ইথুংঙো। অদুদা করিগুম্বা শোয়বা থোক্নুনা শিখিবা তারবদি ওহ্নোক্না... (কপ্প)। "করে করে! মিয়া কপ্পগনু, ঐনা হায়রিবসিদা তৌ। লাইনা কুবিরবদি ঐখোয়নি তেক-কাম্নদনা দিল্লিদা অমুক হনসি। ঈশ্বেহুম শকউ তাসি" বীরবলনা হায়। অদুম্না হাপ্তা ফাপ্রে। লিপাম্না তবা মুমিংত্তদি নিংথৌগী মিহাংশঙদা মীনা কিত্তো কৌগ্রে। মীহাংপনা বীরবলগা

তানসেনগা পুখোয়রক্লে। নিংথৌনা হায়রকই—নিপা অনি! নখোয়না ঙসি ফাওবা করিগুম্বা নয়াল অমতা হায়দোক্তবনিনা হৌজিক্তি হাংপা তারে। মীহাংপগা। মখোয়নিসি অতাং ওলহল্লো!

মীহাংপা—"মা য়াথং। হায়রগা মখোয়নিবু পুখোক্লে। অদুবু বাহ। মখোয়নিদী 'ঐবু হায়া হাংপিয়ু'। ঐবু হয়া কৎপিয়ু হায়রনা লাউনরহুনা যাংথাবা তারক্রে। অমনা অমবু ইথেক্রহুনা যৈনবা হৌরে। ঐবু হায়া! ঐবু হায়া! মীয়াম পুমনমক ঙকখ্রে। নিংথৌ মন্ত্রিশিং হায়নিংঙাই লৈতবা ঙকখ্রে। করি মরমগীদমক শিথবু অম্মক পায়রিবকো হায়বসি থংনিংলম্মী। নিংথৌনা লাউরকই—ভাইথো! মীহাংপগা। খাদলগা হংলকই— দিল্লীগী মহাশয় অনি: নখোয়না শিববু হানবা তায়রিবসি করিগীনো। বীরবল—শ্রীযুৎ ইবুংঙো। অকবা বা অমা লৈ, মহুশীদমক বাদশাহনা ঐখোয়বু শিঙনবা থায়ক্লিবনি। অদুগা হায়া শিবা ওবরমবদি অমুক হেয়া লাইবক কবা ওইদোরিবনি। অদুনা··· নন ই ঐবু হায়া··· ।

ঙ ইংখোনে! হায়া হাংপদি লায়রিনে যরমদু হায়া হায়খোনে! অফবা বা ওইরবদি নখোয়বু হাংপা য়াই নত্রগা কনবা য়াই।

বীরবল—ইনিংথৌ তাবিয়ু। শিরমদাই অসিদা ওইদবা মীনমন্ হায়জরেৎই। অচুম্বদা তমজগে তাবিয়ু— "ঐখোয়গী বাদশাহ অকবরনা ইবুংঙোগী বর্মাদেশ অসি লৌশিন্নিংব কুইরবনি। লান-দাশি হংয়রম্মু খর হঙোইবগুম তৌদুনা অম্মুম লৈরবনি। হন্দক কাশীদগী মমি চংলবা পাশি অমা বাদশাহগী দরবারদা লাকখি।

বাদশাহনা মহাক্কী অনি-বহু চায়রুনা ৱারী শাখি। পাঙ্খিহুনা বাদ—শাহদা হজংখি বাদশাহ। হুজুরগী নুনাই অচানবা অনিদং বর্ম'দেশতা থারগা নিংথৌদা হাংহন্নু মখোয়হু য়ায়া থুনা পোকনি। চায়া শিবহুনা নিংথৌ ওইরকনি অহুগা কোয়া শিবহুনা মত্রি ওইগনি। মতমহুদা বর্ম'দেশ অসি ইরায় লাইনা। অকবরগী সম্রাজ্য। তিন-শিনবা য়াগনি। হায়রিবা অর্থ অসি লৈবদগীনি ঐখোয়বু মকমসিদা থারক্লিবসি।"

মহু হেক তাবদা বর্ম'গী নিংথৌহু খংগ্রেক খংগ্রে। "এ! ঐ লোইনা তাব তারে।" মরাল লৈতবা মী হাংলগা পাপ লংশিনবা ঐ পাবদে। বর্ম'দেশ অসি হিন্দুস্তানগী বাদশাহগী মথাগোনবম্বু পামদে। ঐস্রু নিংতম্বা লৈবাক্কী নিংথৌনি। মহাক্কা ইনশিল্লগা ঐনা হেক্কা য়াগদবা নত্তে। করবা রাখল অমা লৈবহুনিদনং, মহাক্কা তৌবা য়াবা থবক অসি ঐগোন্দা খংজিন্নকইবা! নখোয়-নিবু হাংলরোই। নখোয় চংখ্রো। দিল্লিগী বাদশাহদা তম্মু চো! বর্ম'গী নিংথৌমু নিংতম্বা লৈবা পাম্মী।"

নিংথৌনা মখোয়নিবু থাদোক্লে। য়ম্মা ইকাই-খুম্নবা পীজ-পীথক তৌরগা বর্ম'গী সিমানা লায় থিল্লক্লে। বীরবল, তানসেন অমস্তুং সিপাইশিংহু তেক্ক-কায়দনা দিল্লী হোরক্লে। বাদশাহগী মনাক য়ৌরকপদা বাদশাহনা য়ায়া হরাওনা বীরবলবু ওকখি। মী-য়াম্মা বীরবলগী লৌশিংবু থাগৎনখি। তানসেনদি বীরবলবু লাই ওয়া থনগ্রে। তানসেন্না কপ্পা কপ্পা বাকংচখি—"জহাঁপনাহ! মনাইদ্গা করম্বা অরানবা তৌবদগী অসিগুম্বা দণ্ডি তৌবিরিবনো?

বাদশাহনা হায়খি—'তানসেন। বীরবল মাওরিতৈদা অহুক মায়া খুদোংথীবা থোকনি হায়বসি ঐ খাজদে। মহাক্কি খুদোং থীবা করাবু হয়রাও হয়রাও মাপোক্কবা ওয়বা অহেনবা লৌশিং লৈববা মীনি। অহুনা ঐনা চাংয়েং অহুক তৌবতনি।' বীরবলগী য়েংথীবা পুরমক তুমিন চুমিন লৈনখি।

বীরবল ফম তারে।

নোংমা বাদশাহ অকবরগা বীরবলগা বারী শারম্মী। বাকম অয়দগী বাদশাহহু চায়না শাওখ্রে। বীরবলবু চৈরকই—'বীরবল! নহাক মী য়ায়: উশিন্তে! চথো! চংখ্রো? দরবারদা অমুক হয়া লাকহু। নশক য়েংবিংদে।

বীরবল ইকাই খুংশি য়াচহুনা চুপিমা হৌপংতুনা থোকখ্রে। মহাক নয়ুম খাদোকতুনা চংখ্রে। মকম কদাইদা লৈবগে হায়বা কনামতনা খংখিদ্রে। অকবর বাদশাহনা অনৌবা দীবান অমা হাপলে। অনৌবা দীবান অহুপা থবক তৌমিন্নবদা অকবর য়ায়া খুংগাইরমদে। অরুবা মতাং লাকপদা বীরবলবু হেক্তা নিংশিংলকই। খুংচাবা অনৌবা দীবান অমা হাপনবগীদমক অকবরনা নোটিশ তৌহনম্মী। 'অকবর বাদশাহগী দরবারদা অনৌবা দীবান অমা

হাপকনি। মহুগীদমক বাহং থরা হংগনি। বাহংশিং অহুগী অচুম্বা পাউথুম পীবা ঙম্বা মীহুবু দীবান হাপকনি।"

দীবান কমগীদমক দরখাস্ত থারকপা মীওই মণ্ডা তুরে। বাহং হংননবা অমম্ং চাংক্কে লৌনবগীদমক মন্ত্রী অমম্ং মহৈ হৈবা মীশক থরা হাপলে। মখোইগী মরক্তা পণ্ডিতরাজ জগন্নাথ রায়া লাইরিক হৈবা মীনি। সভা কম্বা হৌরে। মীওই মণ্ডামক লাক্লে পাণ্ডিতনা অহানবা বাহং হংবা হৌরে।

'সমুদ্রদা মুক্তা য়াওবা কোংগ্রেং কয়া লৈ?

মখোয় মণ্ডাহুগী মরক্তা কিজেং চাকলেং তোঙানবা অমা য়াওই। মাচন লাওবা পাজমা শেংলি। কোয়েংনা মখিং নামা কুপশিল্লী। মকোই য়ামা শাংনা থাকই। মকোইহু ও থায় অমা তোরে। মখোয় মরিহু পাউথুম পীবা ঙমজ্রে। কোয়েং য়েংপা কোইজোম্বহুনা থুম্মী—পৃথিবী অসিদা লৈরিবা মী পুম্নমক্কী মমিংকী ময়শিংগা সমুদ্রদা লৈবা মুক্তা পুবা কোংজেংগী মাশংপা চপমনৈ"।

পণ্ডিতরাজনা অনিশুবা বাহং হংই;— মীওইবগী খাইদগী হেন্না মরু ওইবা লন করিনো?"

কোইজোম্বহুনা খুম্মী—হকচাং মমুং শেংবনি।"

নবাব খান খানানা অমুক হংই:—মীওইবগী খাইদগী অফবা খুংলাই করিনো?"

'কোইজোম্বা—লৌশিংনা মীওইবগী অথোইবা খুংলাইনি।

রাজা তোডরমলনা অমুক হংই—চিমীপা লৈতোইপা য়াম্নবদি উশিংদা চামথোকপা নত্তবা, কয়স্বা পাম্বৈনা থন্দোকপা য়ানি?"

কোইজোম্বা —নৈবাক্তা চাটথোকখুনা থবলবদি চিনী মথৈ ককচেংনা চাথোকখ্রগা লৈরক্কৈনা তে ভাঙ্গা লৈরৌনি।

নবাব খানখানানা মঙাংগুবা বাহং হংখি—"মহাক সমুদ্রগী ঈশিং থকপা ঙমগদ্রা?

কোইজোম্বা —ঐনা হায়রবা বাকম অমা য়াথিরবদি থোয়দনা ঙমজগনি।'

'মহূদি করিনো?' নবাবনা হংখি।

সমুদ্রদা তারীবা তুরেল ময়ামসিগী ঈশিং পুম্নমক অমত্তা থাহনবীয়ু?' নিপাছুনা হায়রকই।

রাজাতোঙরমলনা অমুক হংখি—মীওইবগী খ্বাইদগী তোনবা শিনকম করিনো?

কোইজোম্বা— মীংঙলগী নিবা।'

নিপাছুগী পাওখুম তাবদা দরবারগী মী পুম্নমক্না মহাকপু থাগৎনখি। নিপাছুনা ময়াবদা বাহং অমত্তা হংজগে হায়রখি—

ময়ামা—'হংবিয়ু হংবিয়ু' হায়রখি।'

নিপাছুনা হংখি— 'থোং হাংদোকপা অমম্বু খিংজিনবা মতমদা কেঁ, কেঁ লাওরিবসি করি হায়রিবনো?

মীয়ামমক তুমিন তুমিন লৈরম্রে। কমাণ্ডবা অমত্তনা পাওখুম পীবা ঙমখিদে।

মথৈদা কোইজোম্বা মীপাছুবু মীবান থনবা তাক্লনা মহাক্না হায়রখি—বাদশাহ, হজুর। ঐদি করিম্ভু লৈবা মীশক নংচদে। ঈশ্বরলগুম্বা মতীক মগুন লৈরবা, মতিক চাওবা মীশক অমনা

পুরক্পা অচৌবা কম অসিবু ঐনা কয়ম্না পুবা ঙমগনগে । ঐদি চুম্না বাহংগী পাউখুম পীজবদনি ।

বীরবল পাক্কপদা অকবর য়ম্না হংজাইদনা হাংরকই—বীরবল হেক চৎখিনদপী ঐগী অবাবা হায়বদু ঙহল্লে । ঐনা মাবু খিবসি হায়নভাই লৈল্লে । অদুবু কংবা ঙমদ্রে । উপায় লৈত্রদুনা অনৌবা দীবান অমা হাপনবা কৌরবসিনি । নিপাদুনা হায়রকই— হুজুর কারগুম্বা বীরবলদু থীবা ফংলবদি মাবু অমুক......?

বাদশাহ—কারগী লোশিল্লোই ? কদাহলে থংজা ? থংলবদি ভাকউ । হেক্তা কৌহল্লুগে ।

বাদশাহগী পুক্নিংগী অৱেপা থাদু থংলদুনা নিপাদুনা খুদক্তা কোয়েৎ লৌথোকলে ঙ মকোক্কুথু চংখৎলে । নীপাদো অতৈ নংলমল্লে বীরবল ওইরমলে । বাদশাহনা বীরবলবু চেৎনা কোনল্লে । মতম কুইনা কাপ্পকরবা মপা মচা অমুক উনবদা হুংভাইবগুম হরাওনা মথোয় অনি কোম্বিগী শীরাম পুম্নমকপু হরাওনাখি । অকবরনা খুদক্তা বীরবলদা দীবানগী কম পিন্দোকখি ।

ঐখোয় তৌসিদনা

মোংমা বাদশাহ অকবরনা দরবারীশিংনা হায়খি—'ঈশ্বরনা তৌব ঙমদবা থবক অমত্তংদি ঐখোয় তৌসিদনা ?' কনা অমত্তা পাউখুম পীরমদে। মরমদি 'তৌসি' হায়রকপদি করি থবক্নো ?' হংজকনি মহুক্কী পাউখুম্না অমুক হেন্না লুপ্নে। মহুক্কী শকক্পুদি তুমিন লৈবনা হেন্না ফরে থরখি। বীরবলস্থু খুদক অদুদা ঙুংলরে। বাদশাহনা বাহং অদু বীরবলদা হংজে—'বীরবল। নাইন. তৌবা ঙমদবা থবক অমত্তং ঐখোয় তৌসিদবা ?"

বীরবল— "অহোয় ! সরকার। ঈশ্বরনা তৌবা ঙমদবা হজুরনা তৌবা য়াবা থবক লৈ।

অকবর—'বীরবল. নহাকীহুবু ঐনা শাজনবা হায়রিব্রা ?"

বীরবল—'নংচদে হজুর।'

বাদশাহ—'অহুদি কার থবক্নো ?'

বীরবল—'অহঁ পনাহ। ঈশ্বরদি তেংবানবা পুম্নমক্কী মপুনি। অদুনা কনাগুম্বা অমত্তবু মহাক্না শাউহনা দতি পীবা মতমদা মহাকী লৈবাক্কী বাংম লায়া তাহোকপা য়াদে। হজুরদি কনাগুম্বা অমবু হজুরগী দেশতগী বাংমা লায়া তাহোকপা ঙম্মী। মরমদি হজুরগী লৈবাক্ত ঙমথৈ নাই। ঈশ্বরগীদি মথৈ নাইদে। মদু তাবদা বাদশাহ পেনখি। দরবারী পুম্নমক্স হয়াওখি।

মীনাই নিপাসি মঙক ককথংলু

বাদশাহ অকবরগী দরবার চোম্না লৈরমই। তানসেনগী ঈশৈগী খোনজংনা লুংঙাইবগী ঃৎক হৌরম্মী। দরবারী পুম্নমক হরাও মথোই কখ্রে। বাদশাহ মশামক ইশৈদা পুক্নিং লুপ্তুনা লৈরি। তাঙ্গা অসিদা পুলিশন নিপা অনিথক কাহুনা পুশিল্লকই। মখোয় অনিমক শাথিনা শোক্লে। মতৌহু উবদা মীপুম্নমক তুমিন্না লৈনখ্রে। বাদশাহদি শাউনিংলম্মী।

পুলিসনা মখুৎ লোম্নহুনা হায়জরকই ;—জহাপনাহ! নিপা অনি অসিমক ইনাক কৈরাক থুনবা, সম্মান তোবা য়ারবা মীশক তাক্তুনি। ১দি বাদশাহনম্ন শক থঙবিজরনি। মহাকখোয়গী সহর অসিদা করররর তৌহনা চহি মঙা/তরুক লৈরক্লবা মীনি। মমিংনা 'শের অলী' কৌই। সহরগী মকম খুদিংদা মহাকপু ইকাইখুম্নে। অসি মীয়াম মরক্তা য়ারী শান্নখিদেদা অতোপ্পা নিপা অসিনা হেক্তা মখুৎ পায়দুনা য়া হংগি—'ভাই নশিবা। অসিদি উনরেদো। চহি তরেৎ শুদে ঐনা নংবু থিগ্নিবা। নংনা পৃথিবা শেল অদু পীরোদমা!'

অউবা মী খুদিংমক পুমঙক ওক্লখি। দিল্লীদা লৈরিবা শের অলীনা হায়—'হের নশীবা! নংবু ঐগী মিনাই ওইরবা মতম অহুগা নংনা অমুক ওনথংলক্লুনা মপু শারিববু নথৌনা কয়া লৈদনা তৌজবা শারিবনো?' অদুয়া মখোয়নিসি অমনা অমবু নসীবা

হু'য়নহুনা কন্না খংনরে। মৈনরে ইমু নাইমু তানরে শিনবা ভা.র, হু য়হুনা কাহুনা দরবারদা পুজরক্লিবসিনি।

বাদশাহনা দিল্লীগী অলীদা হংভি— 'নহাক্লা অলীনি অহুগা অমসিনা নসিবানি হায়রবগী করি প্রমাণ লৈ ?

শের অলী—'অহে'য় হুজুর! দিল্লীদা লৈরিবা তুকান্দারশিং অমদি কল্লোল-ইতিক তৌরিবা মী পুম্নমক্লা মসিগী শাক্লিনি। মাবুদি কনানসু মশক খ'দে। মরমদি মাদি ঐগী থবক তৌহুনা লৈবনি। মহাক্কী অশেংবা পরিচয়নি ননাইনা হায়জরিবসিনি।

বাদশাহনা শকথঙদবা নিপাহুদা অমুক হংভি—'ভাই! নহাক্লা শের অলীনি অহুগা দিল্লীগী অলি অসিনা নহাক্কী থবক তৌম্বা নসীবা নি হায়বগী করম্বা প্রমান লৈ।"

শকথঙদবা নিপাহুনা হায়জখি—"বাদশাহ সলামদ! হৌজিক্তি দেশ অসিদা ঐহাক্কী থংনা চায়বা কনামতা লৈজদে। ননাই ঐগা মাল চাং মী পুম্নমক সমুক্ক খোবান্দা লৈক্লৌই। হুজুরগী কোক্লুং লোমদা লক্লোনকম খিহুনা য়োক্লরকপনি। থৌদোক অসিগী অচুম্বা বিচারদি হুজুরগী ন্যায় আম্বুং মন্ত্রীশিংগী হৈশিংবত্তনা পুথোকপা নত্তনা ননাই ঐগীদি থোইদোকপা প্রমাণ লৈজদে।

অকবরনা বীরবলনা য়েংঙকই। বীরবলনু অকবরগী মীংকী অর্থ খঙলমই। থৌদোক অহুগী অচুম্বা ম্লায়েল পুথোক্লবা বীরবলদা শিমরন্মী। বীরবলনা মখোয় অনিবু কৌশিল্লগা হায়রকই—'নখোয় অনি কজন। ভাইশিম্নৌ। নত্তহুনা ঐনা বীচার তৌরবদি— লাক্লম্বহুদি

ছিংবগী বা লৈতেকো। অমুকসু বীরবলনা ফজনা থেমহুনা হায়রক্ষী। অতুবু মথোর অনিমক মাগী মাগী বাকমহুনা অচুম্বনি হায়না লেপনগ্রে।

বীরবলনা মীহাৎপা কৌরে। নিপা অনিছু মকম চানা চানা খুরুখুদক কুন্দুনা লৈহরে। বীরবলনা মিহাৎপহুনা হায়রকই— "য়েহৌ! ঐ লাই খুরুমগে। ভাইহাকুংগী মমুংদা লেবী লংবীদুরুনি। ঐভোন্দা মীনাই নিপাগী মশক তারুনি। মতমহুদা ঐনা ইাঙ্গং পীরকান। ইদিং হেক ফংবগা মীনাই নিপাহুগী মঙক ককথৎকদবনি।"

বীরবল মমিং উইশিন্দুনা লাইমিংবা হৌরে। মিনিট মঙা য়োম লৈরগা বীরবলনা অশাউবগী শক্তমগা লোয়নবা ভংলহুনা লাউরকই—"হেই!! মীনাই নিপাসি মঙক ককথৎলু!! মায়পৈ পুম্নমক তুমিন তুমিন লৈনগ্রে। খর ফাওবা শম্না হোরথিজে। বীরবলগী খোল্লাওহু তাবমক্তদা দিল্লীগী শের অলীনা মঙক অহু হেক লৈথৎতুনা মীহাৎপদা য়েংঙি। বীরবলনা খুদক্তা দিল্লীগী শের অলীহু ফারে। অহুগা বাদশাহদা শিরে। "হজুর! নিপা অসিনি ফজবা নসিবা। মপুদা নমথাক তৌবা মীনাইনিপাহু।"

বাদশাহনা শকথঙদবা নিপহুদা হংলকই—শের অলী! হৌজিক্তি কোর্টকী বায়েল মতুংইনা নহাক্না চুমলে। নিপা অসিনা নহাক্কী মীনাই নাসিবা ওইরমলে। নহাক্না মাবু ফরি তৌবা পাম্বী?"

অলীনা হায়রকই—'বাদশাহ ! ননাই ঐনা পাম্বা থোই-দোকপা লৈজদে।' বাদশাহনা তাকপিবা মতুংইন্না তৌজগনি।

বাদশাহনা—'নসিবা ! নং হৌজিক্তি অলীগী মথোংকোল্লুনা দাক্লে চায়জো।' অদুগা মাগী শেল অদুনা তানবা শেল অয়াম্বা পীথোকখো। নসিবানা মহুমক তৌরে। মতম কুইনগী মতুংদা মপু মনাইগী মরক্তা লৈনরম্বা লুংঙাইতবদু চমথোক্লরে। নসিবাগী দাইবক ফবদি। ঙসি মাগী মপুনা মাবু দতি অমতা পীহনবা তৌদনা ঙাকপীনা অসিনি।

মীয়ামনা বীরবলগী বায়েনবু থাগৎনখি।

খর হায়কেং

নোংমা বীরবলনা দরবারদা চৎলমদাইদা মচাম্নপী অতোপ্পী অদুনা তুংইনপে হায়না নিঙাই তৌখি। চহি ৫/৬ কী অঙাং ওইবনা ইকায় ইকিগী থাখলদু লৈতে। থেম্বা মাত্রদুনা বীরবলনা মাবু পুরপা দরবার কাখি। দরবার য়োরমদা মী অতৈনা তৌবগুম মহাক্নদু বাদশাহবু সলাম তৌখি।

বাদশাহনা মুপীমচাদুবু মনাক্তা কৌশিন্নগা 'নংবু বা ঙাংবা হৈরব্রা ! হংলম্মী।

মুপীমচাতুনা খুম্মী—'হুজুর। খর—হায়ফেৎ হৈজরে।'

বাদশাহ—'খর হায়ফেৎ' হায়বদি করিনোনে মুপীমচা ?

মুপীমচাংনা খুম্মী—'হুজুর ইথকী অহন্দনা 'খর' অতুগা ইশামব-তুনা খর কায়া হায়বদি হায়কেৎনা ওাঙবা হৈজরে হায়জবনি।"

পাউখুমতু তাবদা বাদশাহনা – উম, মাপগী মচানবুদি লায়বা হৌনবদো ?' হায়রগা হরাওনা মাগীদমক লিক-কোল অনপুং কজবা কিরোল ময়াম মনা পিবিখি।

হৈনৌ পাম্বীদু লোয়শংদা কৌরকউ

দিল্লীদা লৈবা মচা—মশু লৈজদবা নিপা অমনা মাগী মরল মথুম পুম্নমক য়োম্বোক অতুগা সনা লেপশিন্নে। সনা খোহোর লিশিং অমা মাগী চায়রবা মরুপ অমদা শিন্নতুনা থদলগা চহি ২/৩ তীর্থ কোয়বা চৎখিরম্মী। মহাক্কা তীর্থ কোয়করবা হলক্লগা মাগী মরুপ অতুদগী সনা লৌগে চৎলম্মী। অবাংনি ? মাগী মরুপ অতুনা সনাগী বা শুকথং থংদে হায়বিরে। মানা ওান্সললগা হায়রকই...'নহাকপু তরাংদা তীর্থদগী হলকইবা নত্রা ? অতুগা তসি মীনম্বা ওাংতুনা পাপ লংশিল্লিব্রা ? তীর্থ চৎলুবা মুপাহুনা খর অহম্নি অতুবু মানা মখুৎ লোমদুনা য়ায়া হায়জরে।

"ইবুংঙো ! নহাক্না মাঙদনবা থম্বীরথুগীদমক ইরাম্বা মতিক চাবা অবামল তৌজগে। থংদে থোংতে হায়বদুদি তৌবিরু থর্ম্ম নত্তে। ঐঙীগু থর য়েঙু।

নহাক্তুনা য়ম্লাখিদে। মাগী থাম্মোয়দু নৌথবা লৈখিদ্রে। মবৈদা অহল অদু অকবরগী দয়ুবারদা চংলগা কপ্না কপনা হাকংলুরে অকবরনা বীরবলদা বীচার তৌনবা শিররে। বীরবলনা বারীদু পুক্লিং চংনা তারে। অদুগা নহাক্তবু কৌহল্লুরে। বীরবলনা হংবদগু নহা অদুনা শুকথং থতদে হায়রে।

বীরবলনা অহল অদুদা হংখি— 'নহাক্না সনাশিংদু পীবা মতমদা কনা কনা উহৌই ?

অহল— 'মহার জ। মী অমত্তা উহৌবা লৈত্তে। য়ুম মহুংদদু নত্তে কংহংদা হৌবা হৈনৌ পাম্বীগী মথোংদনি।

বীরবলনা শাওনা হায়রকই—'নহাকপু করম্বা গধানোনে ? হৈনৌ মথোংদা পীরবদি হৈনৌ পাম্বীদু'দ উহৌইদনা ? চংলু হৌজিকমক হৈনৌ পাম্বীদু লোরশংদা কৌরকউ। মানা শোয়দনা লাক্নী পিগনি।

অহল অদু কিনা কিনা চংখ্রে। মপুক্লিংদা থল্লি—হৈনৌবু হা ঙাব য়াত্রনে। অদুগা মথোং পান্দুনা লাকপদু য়ারোই করম হয়না কৌসদৌরিবনো ?

অহলদুনা থোকখিবা ঙাইহাক লৈরগা বীরবলনা শাউনা হায়— করম্বা অহলনো ? কয়া দ কুইরবা। মতম য়ম্না মাংহন- গদৌরিমাল্লেনা ?' অদুম্না বীরবলনা অমুক অনিরক শোল্লি। মহু

তাবদা নহাক্না—সরকার য়োবু য়ৌয়মথিয়োই মাদি।

বীরবল—'কমাম লায়নোনে?

নহা—'মানা হায়রিবা হৈনৌহৃদি য়ামা লাগি। বীরবল না ডাংদে। অহল অহু ডাইহুনা থবক অতৈ অতৈ ভৌহুনা লৈরে।

ডাইহাক লৈরগা অহল অহু লাক্লে মানা কপনা কপনা হায়রে—''সরকার হৈনৌহু ঐনা কনা য়াম্না থুরুমহুনা লায়অরব কাওবা চৎসি য়াদ্রে। বাম্ব ডাংদে। উপায় লৈত্রবনা চেক্তরক্নবনি।

বীরবল—হৈনৌ পাম্বীবা ওসাইনা নহাক লাকত্রিদৈদো জবাব পীরগে। অহুননি মহাক্না থুমজিবা।' বীরবলনা নহাক্না হায়রকই—হয়ানবা মীনম্বা ডাংবা। নহাক সনা অহু পীগে হায়রা? মত্রগা নউন্দু খোকউ হায়ব্রা? নিপাহ্ হুনিয়া লৈ। বীরবলনা মী: য়ৈবা কৌশিয়গা ঈক্ষিৎ পীরম্মী চৈ মত্তা/তরাং শাম্বদা—নিপাহ্ মরোল লেংনা থুম্মে। ননাই ঐ সনাশিংহু পীবরগে হায়রে মীয়ায়া বীরবলগী বীচারবু থাগৎনখি।

ননাইনা নিংবা থুংজরে

নিংথমথাগী অয়ুক্নি উয়া কীঙো কোবগুব তায়স্মী। অকবর বাদশাহ করিগুম্বা থৎক অমগী দমক চংথোরকই। পুখ্রিগী ইশিং দা থুং লুপ্শিন্‌নবদা হৈংবনা পুংপক্ত পঙশিংখ্রে। বাদশাহনা মীয়ামদা লাউথোকখি— 'কনাগুম্বা মথৌনা লৈবা মীনা পুখ্রিগী ঈশিংসিদা ওকশম য়ৌনা লুপ্থবগা অহিং অমা তিঙ্গৎবা ওমলবদি সনা মুহোর চামা মনা পীগনি।"

মীয়াম্বুক তুমিন তুমিন লৈবৈ। বামোন লায়রবা অমখক্তি মরাম মমাংদা চংশিল্লকলে। মহাক্না মথুং লোমহনা বাদশাহদা হায়জখি—'হুজুর! ননাই ঐ অহিং অমা পুখ্রিদা তিংহনা লেঙগে। বাদশাহনা য়াবীরে। রুমিৎ অহুমকী অহিংদা পাংথোক্লবা হুকুম পীখ্রে। সিভাই থরগা কমাইবা থরগা মাবু শেমখি। নোংঙাল্লে মীয়ামনা মাবু ঈশিংদগী চিংথংপীরগা মৈ য়াইবীহনা চিংশিল্লবা মশাহু শাহল্লে। মুংখিল মুংশা শাৱবা মওমদদি থয়া ভেথথল। কোম্মুংদা লাক্লে।

বাদশাহনা হংখি— 'অহল! নহাক্তি অহিং চুপ্পা ঈংপ্রবা ঈশিং মমুংদা করম্না থাংখি।

বামোন—'বাদশাহ! হুজুর ঈংবগী বাদি করি অমুক হায়গনি? শিদহনা হিংগৎলকইবসি ইয়াইবক ফরবা পোংনি। ননাই ঐনা বাথল থমা থমা কোমনা য়েংজরকপদা কোম্মুংগী দলান

মতোন্দা থাম্বিবা থাওয়৮ উকৈ। মতুদা য়েংলগা অহিং চুদা লেনবজে।"

বাদশাহনা থরা চিংনবা উবদা মন্ত্রী অমনা হায়রকই — অহুদি নহাক থাউমৈগী মৈশাম্নি বাথন্দা অঙৈংবহ কাওথোকখিব নিদনা।" অহুবদি মমা কংবা মাররোই।"

বাদশাহনস্‌ মন্ত্রীগী বাহ মানিংবা উংলমই। থাযোন লাম্নবা মনা ফংজ্রে। লাইবক থীজ্রেদা থম্মুনা মমুম পাংখ্রে।

থাযোল লায়রবহ বীরবলগী মযুমদা চংখ্রে। মহাক্না কগু্না মায়ীহ্ তক্ন্রে। বীরবলনা মাবু থেমজিন্নগা মতম থরদি চুমিন্না লৈয়ু হ'য়না পাউতাক পীখি। মতম চৈর লৈয়রগা নোংমা বীরবলনা অকবর বাদশাহবু চ'কৌখি। মথং মুমিন্ন্না মনা'ই থরগা বাদশাহ অকবর বীরবলগী যুমদা চ.ক চাবা লাকখি। বীরবলনা হরাও তন্নানা মকম চানা ফমহনখি। মুখিং থেংজ্রে চাক চাবগী মতমদি হেনজ্রে বীরবল থৌরাং লোইজ্রিব্র ? বাদশাহনা হ ঙি।

লোইজরে লোইহবে বাদশাহ। ইনশাং অমত্তং মাংতুনা তৌবনি। মায়নি, থৌরাং তৌজরগে। হায়রহ্না মায়া মানা কোয়চেন চেন্দুনা চাকী থৌরাং তৌরম্মী। অতুম্না থেং-জিন্নকপ্‌না মুংথিকগী পুং অনি তাখ্রে। চাক চাবগী বাদি লৈজ্রে। অকবরনা হংই—বীরবলনা লোইজরে। থুম্মী বাদশাহমু চাক লাম্বনা মিংতা তন্দন পাইরে। শাউনিংবনা কম্বা মায়কত্রহুনা চাকশঙদা চঙশিন.গ্র, চাক থোংবদি উবে। মৈ হৌবদা' মউই, অকপনি বীরবলগী তমাশা। চেৎ উন্নাল থয় থাজেন্দা থৌরী

হাপ্পুনা থমী। মথাদা মৈ হোই। বীরবলনা হুয়াং জিং জি শোরহুনা মৈ অমুক হুমী। মথক্তা অমুক মেংতি মায়া চিন্না থবক নোমহুনা লৈ। "হুজুর ভাইহাক্তদা মুননি, থজিক্কংদি খেবা তারে হারোবীবা মাদে' হায়জখি। বীরবলগী মতৌচু উবদা বাদশাহ য়ায়া শাউরে।

কয়িনোয়ে। বীরবল। নহাক্না তৌবশায়িবসিবু' এবু থয়েমং থরিব্রা?

বীরবল—চাক থোংজরিবনি হুজুর' (থয় কিনা খুম্মী)

বাদশাহ—'অহুবু চক্‌না মোংদোম্দা. মৈনা লৈথাদা কয়বা হান্দা মু'ন্দোরি? নহাকপু ভাওয়ব্রা? নত্রগা ভাওশিন্নরিব্রা?

বীরবল—"বাদশাহ হুজুর। য়ায়া থুনা মুনগত্রা হায়নদি নীংজৈ। মরমদি কোন্নুংগী শঙ্গাই মতোন্দা থানবা থাউবৈ অহুনবু পুথ্রিদা ভীঙবা বামোন লায়রবতুগী মশাদা মৈশা কাওহন্দুনা উংবা কোকহনবা ভগ্না আগ্রোগী মৈনি। মহুগা য়েংনকম্নবদি অমুক নক্কবা চক্ অসিদি করিগী মুমোইদগে থন্দুনা তৌজবনি। অসি হায়-রহুনা বীরবল হুযাংনা ইচোং চোংপমথৈ মৈ কাম্না লাক্করি। বাদশাহ অকবর অশিংবা মীনি। শাউরম্নদগী ইকাইবগা চাকলায়গনা ভাওয় হুনা য়া অমুক ভাংবা তোদনা মকি কম্মগা হনগ্রে। বীরবলনা কনা থাম্বা লাক্কখি অহুবু বাদশাহচু য়াবা লৈখিব্রে।

মথ.গী দরবারদা অকবরনা বামোন লায়রবহু কৌথংলগা লনা মুহোর চামা মানা পীখি। মনা লৌরগা বামোন অহুনা

বীরবলগোয়দা হায়কেং য়েংলগা সরকার। ননাইনা মীংবা খুঁজয়ে' হায়রমদগা থোকখি। মীয়ামনদি বাদশাহনা হায়রিবগে খল্লি। বাদশাহনা বীরবলদা শাউনা য়েংই। বীরবল নোকখেং তৌরগা মখায় লৈথোকখি।

লংকা লুট তৌখরে

অকবরনা বীরবলদা নোংমা হায়খি—'বীরবল খুৎনাইবশিং অসি মায়া তৌবা ঙম্মী হায়নৈ। কনা কুপনা শেমরঙ্গু মখোয়না লৌগে হায়রবদি হেক্তা হয়নবা ঙম্মী হায়নৈ মাস চুমব্রা? বীরবলনা হায়রকই—'হজুর খুৎনাইবদি লায়রবনা নাইদবা মীশু মাগী বাখলগী মতুংইন্না থবক তৌবা ঙাকনি। মীনা হয়নগে হায়রবদা ঙমদবা লৈতে। অদুগী মথক্তা সনাশাবা কাঙবুশিংগী বাদি করি অমুক হায়রনি। মচাদুপীদগী সনা হুরাল্লি হায়বা বা লৈ। অকবরনা হায়—মদুদি করম্না লৌই হায়রবগে বীরবল? বীরবলনা হায়রকই—

থুদ্ধং অমদা সনাশাবা হনুবা অমা লৈরম্মী। মহাক্তি শোক্লদুনা মচাদুপানা থবক পুরকই। নোংমা অহল অদুগী মচাদুপীনা নুপা

ময়ুমদগী সনা পুখ্রেকতুনা মাগী লিক-কোল থর শেমজিনবা লাক্লম্মী। থবক শুফমদা কন্নবনা মপানিপাজুদা হায়রকই—"ইবুংঙো ইচেগী লিক অসি অমুক্তা শাদোকউ"। মচানিপাজুনা মচেগী সনাদগী করিমতা ছুহৌদবা তারে হায়না হন্নবজুদি লুংশা থিরম্মী। করম্না পাইখ্রেনা তাকসিগে হায়না থক্লগা মহাক্না মথুংতা মাপা চংনা চংনা হায়রকই—"রাম রাম ইবুংঙো নঙোন্দদি থাইমক চপ মাইয়ে!" মচানুপানা মপাগী লাইশোল অতুদগী অর্থ থঙলে। অদুবু হায়দোক-পদি য়াদ্রে। মপানা অর্থ থঙদ্রবাদে হায়জুনা চম্না চম্না শোক্লম্মী রাম রাম ইবুংঙো নংগীদমক্তি সংসারসিদা থেম্বা করিমতা কৈদ্রেদো। মচানা করম্না মপাবু থঙহনসিনে থক্লম্মী। মানা হায়রকই "বাজীগী রাম অসি শোনখ্রেদা রামগী য়াথং ফংদ্রিবনা মচা হনুমানা থাগননা লংকা লুট তৌখ্রে মৈ থাখ্রে।

মচানুপাগী অর্থ লৈরবা পাউথুম অদু মপানা তাব তারে। নহা অদুনা ওসাইনা সনা মচেং অমা উংতা ফুমজুনা থমম্লবনি। মরম অদুনা সংস্কৃত লোন্দা সনা শাববু "পঞ্চত্বং গত:" হায়বদি মিংথাঙদা চুবানবা কোই। বৈষ্ণবশিংগী য়ামী তাবদা বাদশাহ মুনথি অমমতুং মতম কুইনা কাওথিদে।

য়েনবা য়াওদনা

য়েনবীনা য়েরুম কোকপা য়ারোই

বাদশাহ অকবরনা বীরবলবু ইক'ইবা পীনবা থৌরাং অমা তৌরম্মী। বীরবল লাকত্রিদ্রৈদা বাদশাহনা মন্ত্রিশিংদা য়েরুম অমমম য়েঙ্খোক্লগা বা খরা হায়খি। মাকম অদু বীরবল·শুকথঙ খঙদে। বীরবল হেক লাকপগা অকবরনা হায়রকই—"ঐনা ঙসি মঙ অমা মঙই মতুংদা দরবারগী মন্ত্রিশিং অসি লৈকোনগী পুখ্রিদগী ঈরুপ্লগা য়েরুম অমমম থুংনহল্লু হায়রম্মী। থুংনপা ঙম্বনা মপুক শেঙবা পুকচেল চুপ্পা মীনি অদুগা ঙমদবনা শেংদবনি হায়রম্মী। অদুনা হৌজিক মান্ত্র থুদিংমক মশাবু অশেংবনি হায়বা উৎননবা হোৎনবা য়াগনি।

বাদশাহগী বা তাবদা মন্ত্রিমখৈ চেম্মখরে। লৈকোন পুখ্রিদগী ঈরুপ্লগা য়েরুম অমমম থুংৎলগা অকবরগী মমাঙদা থম্মরে। বীরবলনা ঈরুপ্লদা য়েরুম অমতা ফংদ্রে। মহাক্না ঙাইহাক বাখল তৌরগা—কেক-ক্রে-কেব-ঐ-.ক্রক কেক কয়া কয়া য়েনবানা খো বা হৌরহনা চেল্লক্লে। অদুগা বাদশাহগী মমাঙদা মথুং অদিদু হৈনা তিংথোকতুনা ফ্রং-ফ্রং কল্লম্মী অমম্সুং য়েনবা খোংবা তম্লম্মী। মী পুম্নমক থাম্বা য়াদনা নোকখি।

বাদশাহনা হায়রকই—'বীরবল মী থুদিংমক মাগী মাগী য়েরুম অমমম থুম্লুনা পুরক্লে। অদুগা মশাবু অশেংবনি হায়না প্রমাণ উৎলরে। নহাকীদি কদায়! মসিনা তাকপদি নহাক অসি অমানবা

চৎপা·অমসুং পুকচেল শেংদবা মীনি হায়রবা ভাবেদনা"। বীরবলনা খুমখি —

"বাদশাহ! য়েনবীনা য়েরুম কোকই। মসামসি য়েনবী ভাকুনি। য়েনবা য়াওদনা য়েনবীনা য়েরুম কোকপা য়ারোই।" য়েনবী অমুক মাখা অসিনা য়েনবা অংঙকাওবা য়াওদনা য়েরুম কোকপদি নাতে প্রমাণ চাদবা থবক্নি। মরম অদুনা মনাই ঐনা য়েনবা ওইজবনি। মসিনা ভাকপদি পুকচেল শেংবা অচুম্বা চৎপা ময়ামগী মপুরোইবা ওই হায়বনি।"

পাউথুম অদু তাবদা অকবর শাহকেৎ ইকাইখি। মহাক্না বীরবলবু ইকায়বা পীগে হেৎনকবনি অচুবু ওম্-ইতনথে।

হিগায়রবা

বাদশাহ অকবরগী মজাইবুংতোগা মন্ত্রি মচা অমতা লুন. তিন্নরম্মী। মখোয়না লুনা তিন্নমনখিবনা অমুক হুংখিলদগী হেন্দোক্লুনা অহিংকাওবা থানদনা তিন্নগ্রে। মাগী মাগী মখো কাওথোকতুনা তিন্নরম্মী মখোয়নি মতম অয়াম্বদা লোয়নচুনবা লৈখিবনা মচৈ তম্বা ফাওবা য়াশিল্লকত্রে।

বাদশাহ য়াম্না থবায় বারম্মী। নোংমা মহাক্না বীরবলদা বাত্রী শারম্মী। বীরবলনা হায়খি—"বাদশাহ মহুদি য়াম্না লায়থবা বানিবা করিমতা মুংশা থিবিরুগদু ঐ তৌজগে।"

মথংগী দরবারদা বীরবলনা মন্ত্রিগী মচানিপাক্তু মনাক্তা কৌশিল্লগা মনাকোংদা মচিন নকশিন্দুনা বা থর চায়বগী মতৌ উৎলম্মী। বাদি করিমত হায়খিদে। অদুগ ময়াম মমাংদা ফোংনা লাওরকই "মী অমতা হাংদোকপা য়াবা নত্তে থংগু কো"।

মন্ত্রী মচাগা মজাইবুংঙোগা থোকমিন্নখ্রে। মপান য়ৌরগা মজাইবুংঙোনা হংখি—"ভাই হৌজিক বীরবলনা নত্তোন্দা হায়বতু করি বানো"? মন্ত্রী মচানা খুম্মি—"করিমতা হায়বা জাং নত্তে চুমা বা হায়বা মামবা তৌশিনবা জাংনিদা।"

মজাইবুংঙোনা থাজদে অমুকা হায়রকই— "হেয়া ভাই নংবু তৌদ্রদা অন্থক লুনা তিন্নরগা অচুম্বা বা অমত্তং থাক্তনা করি কামনি হায়দোকউ তাসিনে।"

মন্ত্রি মচানা—"অচুম্বনি ভাই বীরবলনা করিমতা হায়দে নহাক্না কম্বিনো বাশকউ হায়বা অমা বাশক্তনা হায়গে ঐনা করিগী তাকওইদগে। অন্থমা মন্ত্রি মচানা বাশক বাশক্তনা হায়রবস মজাইবুংঙোনা থাজদ্রে। মথৈথংদা মথোয় অনি থাজনদবা অমা লোম্নখ্রে। মন্ত্রি মচাম্ন মপুক্কি দা বাক্লৌরে। ঐনা অন্থক য়াম্ন হায়জববু করিমতা থাজবিদবাসবু করি বাখলনো হায়না লাওখিরম্মী। মজাইবুংঙোম্ন মন্ত্রি মচাবু শাওরে। ঐখোয়নি অন্থক লুনা তিন্নরগা করিম্ন নত্তবা বামচা অমকাও তাথোক্লিংদবসি করি মরমগীনো হায়না থন্দুনা বাক্লৌরম্মী।

অন্থুব তৌহুন, মথোয় অনি থর থর কায়নবা হৌরে। থজিক থজিক লাপথোক্লখিত্নুনা মথৈদদি এককতিন তম্নখিদ্রে মাগী মাগী মথৌ

কৌতুঁনা তৈলমখ্রে। নোংমা বাদশাহনা বীরবলদা হুংই—"বীরবল কহ্নি মন্ত্রনো নহাক্না শিজিমখিবহুবু ?"

বীরবলনা খুন্মী—বাদশাহ "হিপায়বা" হায়বহুনি। অস্নুমা মথোয়নি নোকমিমখি।

বাদশাহনা হেন্না য়াওই

ওলাংথানি। হৈনৌ য়াম্মা মুনবা মতমনি। অকবরগা বেগমগা কাঁিমহুনা হৈনৌ চামিমরম্মী বাদশাহনা হৈনৌ চায়গা মকগা মকুগাদ বেগমগী মথাংদা অস্তুম পোশজি।

তাঞ্জতুদা বীরবল লাক্নে। বাদশাহনা করেমগে খজুনা বীরবল-দা হায়রকই—"য়েঙুনে বীরবল বেগমসি কয়াদা খিবোং লাওপ্রবনো ঐদি অমকাওবা চাবা লোইত্রি অতুবু মাদি কমা য়াম্মা চায়বনো। মকগা মকুগা তৈরিবসিনি।"

বেগমদি চপ চাবা পাউথুম পীবা ওমলমদে। মহাক্না থর ইকায়রপ তৌনা বীয়বলদা য়েংলকই। বীরবল তুমিম্মা থাওবা ওমলমদে মানা হায়রকই—"হুজুর লানবন্থ ওাকপীগনি বাগ্নৌবববদি য়াদে। বেগম সাহেবতি হৈনৌ য়াম্মা চায়বন্থ মক্নগা মকুগদি থাকই অতুগা বাদশাহদি মকস্ মকুস্ লোইনা চাথোকই। য়াওবা অবস্ং পুক চাওবসি কনানা ওইগদৌরিবনো ?

বাদশাহহু মথা তানা খুম্ফম লৈখিদ্রে।

খর কৌরুচো

মোংমা বাদশাহ অকবরনা অয়ুক্তা মচিন মথা শেংবা কোইরগা মমাই-মরিং ভাথোক্লম্মী ওহুগা মীনাই অমদা হায়রকই—"খর কৌরুচো"।

মীনাই নিপাহু মকোক ঙাওরে কনাবু কৌরুচো হায়রিবনো হায়রবনি মহাক্না খনবা ঙমদ্রে। বাদশাহদি মখুং চংথোকখ্রে। হংবস্ ঙমদ্রে। চত্রবস্ দাণ্ড কংগদৌরি। মহাক্না পাম্বে লৈরহুনা বীরবলগী মনাক য়োনবা চেক্লে। বীরবলনা থুকথুদক কুন্নুনা হায়-জর্দম্মী—"মহারাজ বাদশাহনা ঐবু 'খর কৌরুচো' দমক হায় কনাবুনো হায়বস্ হায়রদে কৌরবস্ দাণ্ড কংগদৌরি ননাই ঐবু অয়ুক্তা কর্মবিয়ু।

বীরবলনা হংলকই—'খর কৌরুচো' হায়রকপা মতমহুদা বাদশাহ করি তৌহুনা লৈরম্মী? মীনাইহুনা খুম্মী—মহারাজ বাদশাহদি অয়ুক্তা মমাই মরিং ভাথোক্লম্মী।

বীরবল—অহুদি হজাম অমা কৌহুনা পুথো। মীনাইহুনা হজাম অমা পুরহুনা চংখ্রে। মহু উবদা বাদশাহনা হংলকই—কনানা হজাম কৌরুনা পুথো হায়না অদুক্কই?

মীনাই নিপাহুনা মখুং লোরহুনা খুম্মী—"বাদশাহ বীরবল মহারাজনা তাকপীরকপনি।" বাদশাহনা থনখি বীরবলগুম্না এগী ইবুক খঙবা লৌশিং লৈবা মী অমা কংখসি ওইথোক্কবনি।

———

কয়া য়ামনা ইংই

নিংথমথাগী অয়ুক্কি। উন য়াম্না তারম্মী। বাদশাহ অকবর অমসুং বীরবল তকবা য়াম্না শারম্মী। বাদশাহনা ইংথন্দুনা হায়রকই—"বীরবল কয়া য়াম্না ইংই?

বীরবলনা খুম্মকই—বাদশাহ খুত্থুপ মখিরোম ইংই। বাদশাহ য়াম্না ঙকা— কররম্না বীরবল ইংববু খুত্থুপ ওনবা য়াব্রনে?

বীরবলনা মথুং খিন্দুনা—বাদশাহ আদা চংলিবা মিপা অসি অমুক্তা য়েংবীয়ু। মথুং অনি অসি করম থুশচিন্দুনা চংলিবনি ইংব-দগীনি। মুংশা চেক শারকপগা মথুং তিংখোকনি।

বাদশাহনা য়েংথোকখিবদা মিপা অছু বীরবলনা হায়রবদৌনা চংলম্মী মহাক উবদা বাদশাহ তুমিম্মা লৈরে।

———

ষণ লাবগী শঙ্গোম

নোংমা অকবরগা বীরবলগা য়ারেম তাংনরম্মী। বাদশাহনা "বীরবল ঐনা মাইবা অমদা হিদাক শেমহল্লি। মহুদা শল্লাবগী শঙ্গোম য়াওগনি হায়রম্মি। মরম অদুনা নহাক্না শল্লাবগী শঙ্গোম থরু থিহুনা পুরকউ। মী অতৈদা অমুক হায়ররোই মসি নঙোন্দা শিররবনি।

বাদশাহনা বীরবলবু অশঙবা শিগদবগী তৌরিবনি হায়বসি বীরবলসু থঙদরা নত্তে। অদুবু মহাক্না হাপ্তা অমগী মতুংদা থিজরকে হায়খি। বাদশাহনা হায়খি—"হাপ্তা অমতা নত্তে বীরবল হপ্তা অনিশু মতম পীগ তৌবনদি শোয়দনা পুরকউ।

বীরবল ময়ুম য়োরগা চিন্তা হায়কেং তৌরম্মী। মচানুপীনা মপাগী অৱাবা উবদা হংজখি—"পাবুং করিগী চিন্তা তৌরিবগে কৈদৌরবগে?

বীরবলনা মাহু হায়খি। মপা-মচা বারী ওাইহাক শারগা মচানুপীনা হায়রকই—"করে পাবুং ঐনা ওয়বা হোৎনয়গে।"

বীরবলগী মচানুপীদুসু মহাক্না মায়না শিংহ হায়বা য়াই। হপ্তা কাগদবা নোংমা বাৎলিউদা মহাক্না অহিং অথেংবদা কি অয়োৎ-অকায় য়াম্না পুরদুনা তুরেন্দা কিশুনবা চৎখ্রে। কোয়ুং মপাদা হিদেন ডাকম অচোবা অমা লৈ। মহাক্না মহুদা "হৈয়াও। হৈয়াও॥ শিয়াও। শিয়াও॥ হায়না হায়র হায়রদুনা বোম বোম লাওনা কি-শুবা হৌরে॥ মথেল অদু য়াকখিবনা মী অমত্তা তুম্বা য়াদ্রে। বাদশাহনা মাগ্রাশিং থাদুনা কিশুবীদু কাহনখ্রে। তুপীমচাদু বাদশাহগী নাক্তা পুশিনখ্রে।

বাদশাহনা হায়রকই— "হায় সোনো অঙাওবী। অহিং অথেংবসিদা মসিদা লাক্লগা করিগী কি শুরিবনো মকম অতৈদাদ শুকবা য়াদ্রবা নত্রগা নোংঙাল্লগা শুবদু য়াইদনা?

তুপীমচাদু কিবনা থক থক নিকখ্রে। মহাক্না খুম্মকই— হুজুর বাদশাহ। হৌজিকমক কি-শুদবা য়াদ্রবা ওঙাইকদবা অমা লৈরদুনা

ত্তৌভবনি। মফম অতৈংদি লমহাংনি। থর হজোইহুনা তৌজবনি। মসিদগি কোক্কংগী সাত্রনচিংবা ময়ম নৈবনিনা কিবা খঙবম থর কৈ অহুনা সিদা শুজব'ন।

বাদশাহ - করম্না তঙাইফদবনো খহিং অথেংবা নোংমাইসিদা কি শুরিব'দ ?

মুপীমচা—"হুজুর ঐখোয়গী পাবুংদু অঙাং উনরে অঙাং অমা পোক্লে। মরম অহুনা অমোং অকায় ময়ামদু শুদোক চামখোক্তবা য়াম্না তৌজবনি। খোংগংক্লান কায়বা য়াইহেন্দু য়াওগে মদুগীদমক ঙাকপীয়ু"।

বাদশাহ য়াম্না ঙক্লা হয়রকই—"হেই ! অঙাওবী নং ঐবু করেম্মরিব্রা ? মুপানবু অঙাং পোকই হায়বাস তাহবংপাব শেবাংনবা মালং খোংগাওনবা য়ানিনে"।

বাদশাহ হুজুর মুপানা অঙাং পোকপা য়াক্লবদি ঘনলাবণী শঙ্গোম শুরক্নু য়াকম খোক্লেনা" মুপীমচাহুনা খুম্মকই।

মদু তাবদা বাদশাহনা বীরবলদা হায়শিবা য়াইহেদু থংনিং হেক নিংশিংলকল্লে। বাদশাহনা হংলকই—"মুপীমচা ! নং বীরবলগী মচানুপী হৈ-শিংবীদু নব্রা" ?

মুপীমচা—"অহোয় হুজুর ! কনাই অপঙবা দীরান বীরবলগী মচানুপী অপঙবীনি" "মুপীমচা নরোল চুপ্‌। নহাক্লা করম্না ঐখোয়বু অপঙবা শিরিবনো ? বাদশাহনা হায়রকই।

হুজুর মদু নত্তে। অসিগুম্বা য়াহং অসিমী পাউথুম অসিগীদমক করিসু নৈত্রবী ঐবু অহিং অথেংবসিদা কয়াদা খুদোং-

চাদবা নংহল্লরনো ? মুপীমচাতুনা খুমখি। বাদশাহনা মনাই-শিংদা লিককোল মক্কি মরোল পিননবা হায়খি। অতুগা মুপী-মচাতু বিদায় তৌবিখ্রে।

মথংগী নুমিত্তা দরবারদা বীরবলনা বাদশাহদা হংজখি--"বাদ-শাহ মনলাবণী শঙ্গোম হায়বতু ওয়াং ইচামুপীবু থিলহনজখিবনি কংবিরব্রা ?

বাদশাহনা শাওরংননা—"মোয়ক্লে" হায়না খুমখি। দরবারগী পুম্নমক ইওক ওকা য়েংনখি কনানমূ 'মতুগী অর্থ অমতা খঙনখিদে।

শকখণ্ড খূদোগ

অকবর বাদশাহ মহৌশানা কিজেং ওহোক্লগা মীচম মরক্তা হেক হেক কোয়বা চংলি। কনানমু মক্তাকপু বাদশাহনি হায়বা খঙদে। অমুনা মহাক্কী থবক্তা করি করি পেন্দবা লৈবগে হায়বসি হেক্তা লায়না খঙবা ঙম্মী।

বীরবলনা বাদশাহগী হৈনবী অসি পামলমদে। অতুনা মহাক্কা বাদশাহনা অম্তুম্মা চংপ্পসি তৌবীগনু হায়জরম্মী। বাদ-শাহনা মতু য়ানিংলমদে। নোংমা বাদশাহ কিজেং ওহোক্লগা মশক লোংতুনা মীয়াম মরক্তা চংখি।

থর চংলগা অহাংবা মকম অমদা নিপা অমনা তান্নরকখি।

বাদশাহনা হয়া য়েংথোকখিবদা নিপাছু অত্তেপ্প। মাইকৈদা য়েংশিন্নহুনা লৈরে। বাদশাহনা চংশিল্লগা হংই— নহাক কনানো নামং করি কৌই। লমকোয়বা কৌই। করি থবক তৌই কে মনা চংশনা ঙৌনি। নয়ুব কদায়দা লৈ? মকম খুদিংমক্তা'।

নিপাছুগী শক্তাবে খুমিবা বাহৈ বাতানে মতৌ মওংছু য়েংবদা বাদশাহ হায়নিঙাই লৈতনা শাওগ্রে। শাওমকখিবন' মীশক লোংপনি হায়বা কাউথোকখ্রে। বং ঐবু মশক খাত্রা?

লম্বী চংপা মী অমনিদনা মহাক্কা খুম্মী। অকবর শাওরম্মা—ঐ বাদশাহনিনে লৈবাক অসিগী মপু! খাজত্রা? ঐগী শকখঙ খুদেপ (মুহোর) সি উত্রাও? হায়দুনা খুদোংথু উংলম্মী।

'কদায়নো অমুক্তা য়েংগেনে। হায়বগা নিপাদুনা খুদোংথু পায়রগা চেনখ্রে। বাদশাহনা য়ায়া নিঙমদবগা লোননা শাউদুনা তাম্ময়ক্লে হুরানবা। হুরানবা!! হুরানবা কাও। কাও!!

মী ময়াম্মা তাম্মগা নিপাছুবু কায়বদা নিপাদুনা হায়রকই—ঐ বাদশাহনিনে খুদোপসি উত্রা? শক লোংলগা চংপনিনে। ময়াম্মা মাবু থুয়ন্নগা—ননাই ঐখোয়বু চাকপীদু খঙজদহুনা তৌবনি হায়খি।

আকবরনা তৌরিবা মওংছু লাপ্পমা উরে। মহাক্কা শোয়খিবা খোদোংচুগদমক য়ায়া নিঙমাংদে। অদুনা মকমছুদগী তুমিনা হৌদ্রে। মহাক্কা বাথল তৌই মতৌ করম্মা হুরানবাসদগী খুদোপ অসি কংবা য়াগনি। মাস বীরবল নত্তনদি কনাদতনা ঙম্মোই। অদুব মতৌদা করম্মা হায়রগানি। মহাক্কদি ঐগী খোদো অসি য়াদবনি।

বাদশাহ মথৱায় য়াম্না ৱানা ইকাই খুংশি য়াম্না ময়ুংদা ভাকথি। মগাক্না য়ুং য়োৱবদা মাগী কা মচুংদা ফিগী থক মথা অমা লৈবা উরে। য়াম্না ওক্না মচু কা দোকলবদা মাঙলবা খুদোল অচুম্ব য়াওহল্লে অচুগা লোয়নবা চেমচৈং অমদু য়াওরম্মী মচুদা ইরম্মী—

'বাদশাহ খোঙলোর য়াওদনা সগৈদা পংচং চংশীগদ্ব ঙ য়না ঐনা থিংজবচুনি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙ্গাই ওই। খুদোল মাঙ-থিবথি ওরই থোকথিচুনা মচুদগী হেনবা থৌদোকলু থোকপা য়াহ।

বীরবল।

অকবর উম। নিপাসি বীরবল ওইবা ভারে। হেৱা! ইকাইদা। অচুবু য়াম্না করবা পায়া অমতি কারে।

বীরবল য়ামনা শিংখেদা

বীরবলগী লৌশিং লৈবা অচুগা করেম কথাই হৈবগী মিংচং ঐসি য়ম্না লাম্না চংলম্মী। পারস্য দেশকী শাহনদ্ব মহাকপু ঊনিংলম্মী। মতাং চানা অকবরনা বীরবলবু পারস্যদা থবক থাখি। পারস্যগী য়োৱবা কোন্নুং থোঙশঙবনা য়াম্না নোঙ্গ্না মহাকপু কোন্নুং মচুংদা চংহনখিরম্মী।

শাহগী মনাক য়োবা মতবদদি বীরবল ওইপগী ওমখৈ লৈখিদ্রে। মরমদি শাহগা কিজেং কৈতে মাম্বা মশক মওং মাম্বা মীওই মঙা ওকুক কয়লম্মী। মখোয়গী মরক্তা শাহসু য়াওই অতৈদি কয়াহবা মন্ত্রী ওয়াক্নবা। অদুবু করম্বনা শাহনে হায়বসি থনবা ও দ্রে। মরমদি বীরবলনা শাহন কারণুম্বা কাম্না উথোক বীর ল ঢাঙা থাখ্রে। অদুবু মকক্ক কুপ্পা য়োশ্নবগা ভাব অমা তারে। মহাক্না শাহবু সন্দাক তৌরগা অকবরগী পাউজেল চেহু পীখিল্লে।

শাহহু ওমেক্ক ওক্লরে। মহাক্না হ লকই—অমুস্তমু ঐবু উক্রিবা নহাক্না ঐবু করম্না শকথ ঙি বীরবল?

শাহংশাহ ঐনা ওাইহাক্কং ওকচানহুনা লৈরিবৈদা নহাকী মাত্র অইভনা শাহগী য়াকা য়েংনরম্মী। অদুগা নহাক্ক এক্তোন্দা চুম্মা য়েংলম্মী। মতুদা ঐনা শাহবু খওবা ওমজাখ।

পাউখুম অদু তাবদা শাহনা য়াম্না হরাওখি। মনা পীবগা লোয়ননা বীরবলবু 'বুদ্ধি সাগর' হায়না কোবিাথ।

লৈই তেলহল্লু

লোংমা বাদশাহ অকবরনা চে অমদা লৈই অমা চিংলগা মমাংদা ওইংলদুনা হায়রকই—লৈহ অসি মুখৎপা নঙ্গগা ককথংপা তৌদনা তেলহল্লু।

দরবারদা তিল্লীবা মীয়াম পুন্নমক না ঙাংদে। মেহূনা অমম্মক লৈনখি মখেদা বীরবলনা ওপ্প। চংশিল্লগা বাদশাহগী লৈই অচুগী মনাক্তা থর হেন্না শাংবা লৈই অমা চিংলে। অচুগা হায়রকই— "বাদশাহগী লৈই অসি তেলহৌরেদনা"।

বাদশাহ তুমিন্না লৈখি। মীয়াম্না বীরবলগী পাইরক লৌশিংবু থাগৎনখি।

গধা অনিগী মগোৎ

নোংমা বাদশাহ অকবর বীরবল অমম্নুং মজাইবুংঙো সৰীহগা মখোয় অছম যমুনা মপান্দা লম য়েংবা চৎলম্মী। নুমিৎ থেংজিল্লক্লে। মুংশান্নু শাগৎলক্লে। হুমাং শৌনরে। থর চৎলগা য়াম্না কজরবা ৱিহেন অমা থেংনরে। মকমদু উবদা বাদশাহনু ঈকজখোক্লিংলে। বাদশাহগা লোয়ননা মজাইবুংঙো সৰীমসু ঈরুজনবা থৌরাং তৌগ্রে। মখোয় অনিগী ফি-মথৈ বীরবলগী লেংবান অমম্নুং মথুৎ থুদাং অনি— মক্তা য়ানশিল্লে।

বাদশাহ মপা-মচা ঈরুজনবা কুমথরে। ইরোইবা য়াও চাই-থবা য়াও ঈরুজবা হোরে। বাদশাহনা করেম্নগে থন্দুনা বীরবলদা হায়রকই—"বীরবল কিয়ামত্থদি গধা অমগী মপোৎ হেক কায়বা হায়বত্থনি।"

থাজৈশে বস্থু কি অহু য়ামলম্মী। বীরবলনা খুম্মকই — "বাদশাহ গধা অানগী মপোৎনিবে"।

বাদশাহ ইকায়মনথ্রদ্দনা মথা তাদনা ঈরুজবা লোইশিনখ্রে।

মিথাই পীজবিয়ু

বাদশাহনা নোংমা মাগী কাদা লৌরিভৈদা বেগমনা মতৌনিপা চহি অময়োমদা তাইরিবা অঙাংছু বাদশাহদা পীশিল্লরে। বাদশাহনা পাম্বরগা লক্লম্মী। অঙাংছুনা বাদশাহগী খুদাংগী কোইং পাইদুনা য়াম্লখ্রে। হুরাঙদুনা কম্মা নৈহংদুনা শাখে। বাদশাহনা থাদোকপা কয়া হাৎনবম্মী অদুবু য়াদ্রে। য়াম্মা য়ানা মথুং অনিম্ব কাক্কোক্তুনা লোখোকখ্রে।

বাদশাহ দরবারদা লেংলক্লে। মহাক্না দরবারীশিংদা হংলকই— কনাগুম্বনা ঐগী খুদাংগী কোইং অসি পাইদুনা চিংলবাদ ঐনা করি তৌগনি?

দরবারী অমনা হায়রকই—'নিপাদু মঙক কক্পৎকদবনি। অমনা অমুক হায়—মাঙক চাবা দাও পীগদবনি। অদুম্মা মহৈ মহৈ মানা মানা নিংবা পাঙথুম পীনরম্মী।

বাদশাহনা বীরবলদম্ম অমুক হংলকই— বীরবল মীনা ঐগী কোই চিংলবাদ ঐনা কায় তৌগনি?

বীরবলনা পুন্নক পুম্মী - বাদশাহ চিংনা পীজরিয়ু। অকবর কয়া নোকখ। অদুগা হায়রকই — বীরবল কার মতম্দা চিংনা পীজগদৌরিবনো ?

বীরবলনা হায়রকই হুজুরগী কোক্ট পারহুনা চিংগদবা মী কনাগুম লৈতে। নত্তুনিদা অঙাং অমা লৈবজু নত্ত্রা কংনিংদ্রা কত্ত্ পাইবিনবা লৈতে। মরম অদুনা মবুদা চিঠাই পীজরে তত্তই

বাদশাহ মথবাই তানা নোকখ্রুনা লৈরে। মীয়ম্না বীরবলগী কাচিন য়োনা শিংবা লৌশিং অদুবু থাগৎলাখ।

গুহা চাক্কোবা

নোংমা অকবর বাদশাহ কারগুম্বা মরম অমদগী শাওহুনা বীরবলবু কোম্নু দগী চংথিনবা য়থং পীখ। বীরবল অদু চেক্কাইদগা থংনা য়ুমা অরাপ্পা পুক্নিং অমদ চংদুনা চুপনা লৈখরে। বীরবলগী য়ুম অদুনা অকবরগী দরবার কয় কুইনা মপুং কংগানি ? বাদশাহ নিংশিংদ্রে। মী থাত্তুনা থিহনবসু কংজে। বীরবল অমুক কোশলবগী পাক্নে থিবা হোৎক্রে।

নোংমদ অকবরনা মীয়ামদা লাওথোকখি— 'তুসুংদা লৈবা গুহাগী কোম্নুংদা চাকোপনি অদুনা লৌমী থুদিংমক্কা মাসি মাইং গুহাদু হয়েংদগী হোনা চাকচাবা লাকহনগদবনি।

পাউ অসি মুংশিংকী মতৌগুম থুঙ্গং থুদিং য়ৌগ্রে। বীরবলনা লোৎতুনা লৈরিবা লৌমী অদুংদু মুংশা থিদুনা বীরবলদা হংখি।

বীরবলনা হায়রকই— মুংশা থিগদুু এখোয়গী গুহাদ মাগী জাৎ মমাঙবনা লাক্তুনা হৌরবা নত্রবদি চৎপা ভমদে হায়খে।

লৌমী পূম্নমক কিবনা তুমিন তুমিন লৈনগ্রে। বীরবলনা থারকপা লৌমী অদুনা মাগী পাউথুম অদু খুমলে। মদু তাৎদা বাদশাহনা বীরবল লৈরে হায়বা থঙখি। থুদক্তা মী থাদুনা বীরবল হরাও হরাও কৌশিনখি।

উটকী মঙক খোয়বা

মতম অমদা অকবরনা বীরবলদা মনা লৌ পীগনি হায়খি। অদুগা পীদি পীখিদ্রে নোংমা অকবরগা বীরবলগা কোয়বা চৎমিন্নে। লম্বীদা উট ময়াম ওমা চ লম্বা থেংনরে। বাদশাহনা উটলোমদা খুদোম্বী মিঙগা হায়রকই -

"বীরবল উটকী মঙক ইখোয় পোয়রিবসি করিগীনো? বীরবলনা য়াম্না ওম্ন খুম্মকই—"হজুর উটকী মপা নত্রগা মপুকা বনাগুম্বদা মনা পীগনিকা হায়রগা পীদ পীখিদব, ওইরমগনি অদুনা মঙকশম খোয়রিবনি। বাদশাহ মথা ভাখিদ্রে। মথংগী দরবারদা বীরবলবু মমাংতৌদা পীগনি হায়খিবা মনা লৌ অদু পীথোকখরে।

মকোইদা নাপী পকত্র

নোংমা অকবর বাদশাহগী মণি পরেং অম য়ুম্না হৈনা হুরানখ্রে। মংগী ইমুংদা থবক তৌবা মনাইশিংগী মরক্তা অনৌবদি হুবা ওইরমগনি থাজে। অদুবু ফংবদি ঙমদ্রে। বাদশাহনা বীরবলদা বরদু তম্লে। বীরবলনা হায়রকই—'বাদশাহ মুংশা খিবিগন্থ ঐ হৌজিকমক হুরানবদু ফংজগে। মণিপরেং হাপ্পা উপুদু মফম্‌সদা থমুক্তা পুহনবিরকউ"।

বাদশাহনা মণি হাপ্পা উপুদু লৌহল্লুরে অদুগা বীরবলগী মনাক্তা থম্লে। বীরবলনা কোম্মংদা থবক তৌবা বাদশাহগী ইমুংদা লৈবাশিং রাজামশিংপা চম্প্রা সনাচবা লোয়নমক কোথোক্লে। মীয়াম পুম্নমক তুমিন তুমিন যেংনরম্মী। বীরবলনা উপু অদুদা মনাকোংদু নকশিল্লগা র তাবম্মী। মীনা য়েংবদা রা তাবগী মওং ওইনা উহল্লি।

বীরবলনা হায়রকই—"হুজুর উপু অসিনা ঐ তৌন্দা তাক্লে। হুরানবা নিপাদু মকোই চোম্মী মকোইদা নাপী পকত্রম্ন হায়রি। ঐ হৌজিকমক হুরানবদু ফাজরগে।"

বীরবলগী বাহৈদু তাবদা কোম্মংদা থবক তৌবা নিপা অমনা থর নোম্বরগা মকোই নাম্থ্রমই বীরবলগী মিৎকী মমাংদা মদু লোৎপা য়াররদে। থুনমক মাবু ফাহনা বাদশাহদা পীরে।

পুলিস কৌশিল্লগা চৈ মঙা তক্কলক্তুং ফুথরকপদা নিপাদু মণি পরেং পুথোকচরগে হায়রক্লে। মণি পরেংদু লৌশিল্লগা মহাকপু কোম্মংদগী তাম্বোকখে।

হিগী থৌরাং অমা তৌহৌশিনা

নোংমা বীরবলগা অকবরগা হবা চাবা চংলম্মী। মখোয়নি থায়া শাপ্পা চংখরে। করিগুম্বা থুঙ্গং অমা য়ৌরক্লে। থুঙ্গং অদুদা মুপামচা অমা লৈরম্মী। বাদশাহনা মুপামচাদুদা হংই—

বাদশাহ—"নমিং করি কৌই" ?

মুপামচা—"গঙ্গাসিং কৌই"।

বাদশাহ—"নপাগী মিং করি কৌই ?

মুপামচা—"সিন্ধু কৌই।"

বাদশাহ—"নমাগী মিং করি কৌই ?"

মুপামচা—"সরস্বতি কৌই।"

বাহং পাউধুমদু তাবদা চুংতাইবা অমা য়াওরদুনা বীরবলনা মরক্তা অমুক হংলকই—

বীরবল—নচেগী মমিংদি করি কৌই ?

মুপামচা—গোদাবরী কৌই।

বীরবলনা হায়রকই—বাদশাহ হিগী থৌরাং অমা তৌহৌসিনা ?

বাদশাহ—করিগীনো বীরবল ?

বীরবল—"হুজুর তান চাত্রবদি তাওথখিবনু য়ারি। করানবু ভারতকী তুরেলশৈ নিদা পুল্লপ পুল্লে।"

বাদশাহ কয়া নোকখি।

লেপকণ্ড লেমহৌনি

নোংমা বাদশাহ অকবরগী দরবারদ থাংং প উথুম তৌরমী। বাদশাহনা মখোয়মদা হংলকই—'তরানিথোইদগী মরি লৌথোকখ্রবদি কয়া লেমহৌনি ?

মী খুদ.মক্না মানা মানা পীনৈ। থাজবগী মতুং ইন্না প উথুম বাদশাহনা য়ানিংদে। মহাক্না বীরবলদা অমুক হংলম্মী।

বীরবল তনখুম খুম্মকই—বাদশাহ লেপকণ্ড লেমহৌনি। করি অর্থনো বীরবল মরম চানা পিয়ু বাদশাহনা হায়রকই।

বীরবল—হুজুর চহি অমদা থা তরানিথোইনি মসিদগী নোংজু পাম্বা থা মরি লৌথোকখ্রবদি পৃথিবী পুম্বা পুংকং কংহনা লৈহৌগনি হায়জবনি।

মতু তাবদা বাদশাহ মোমোন নোকখি। মঁয়ামম্ব মতু য়ানি বা ফোংদে কখি।

হুজুর গধা লাকএ

নোংমা অকবর বাদশাহনা বীরবলদা হায়খি "বীরবল নহাক হয়েংদি য়াম্না নোক্নিংবা মীশক অমা শাত্থনা লাকউ।

মথংগী নুমিদাংবাইরমদা বীরবলনা ধোবী অমা শারে। চাউখ্রবা ফিং মথোম অমা গাধা অমগী থংঙন্দা হাপ্লদুনা হোয়রগা কোন্নুংলোংমদা

লাকই। অইন, মী মথৈ মহিন শুংফুনা নোইক্ক। কোম্ব° যৌবরুনদা বাদশাহনা ঔ ববলনি হ'য়বা খঙফুনা 'ব লাপাপথৈঙদগী লাংবকই-- "হেই·· ·· গধা হোইবা। আং চ খোকই" ।

বীরবলনা গোজ্জুনা হাযরবই -"'স'কার এদি ভস'ইনা লাও জবিবনি হুজুর গধা। গধা হুজুর ! ল কএ লম গাযম্ব"

বাদশ ৩চু ইকাইখো। মাগী খোথোক অহুনা বদশাহবু গধা অহুগা গধাবুনা হুজুরনী অর্থ শুইনা শিজিঙ্খিবহুনি।"

হিদাকমনা মরক্কা গধা

বীরবলদি হিদাকমনা উদা হৈনৈ [illegible] থাপপগা চাই। নোংমা অকবরগা মাথায় [illegible] কোমনা [illegible]। [illegible] দা গধা [illegible] হিদাকমন' [illegible] [illegible]

[illegible] বরকমনা [illegible] [illegible] হিদাকমনা [illegible] [illegible] বীরবল [illegible] মথ হবুনি। [illegible] বাদশাহ [illegible] বাদশাহনি হিদাকমনা [illegible]

শোয়দনা ফাঁসী তৌবিয়ু

বাদশাহনা নোংমা শাওহুনা মীনাই অমবু ফাঁসীগী হুকুম পীখি। অশেংবদি মীনাই অদুনা অয়ানবা থবক অমা তৌরম্লে। নিপাদুনা বীরবলদা মাগী থবাক কনবিনবা হায়জরম্লে। বীরবলনসু মহাকপু য়াম্বদি কনবিগে খল্লি। বীরবলনা অকবরদা হায়জখি—"বাদশাহ ………। বাদশাহনা য়াম্না শাওনা বীরবলগী বাহু ককথৎলগা হায়রকই—'বীরবল তুমিন কৈয়ু! এনা য়াশকনা হায়বিবসিনি মসিগী মরমদা নংনা লাক অমা হায়রবসু এনা সুকয়া য়াম্ৱোইদবনি।

বীরবলনা বাহং অমা ওন্থোকতুনা হায়রকই—এনা হায়বদি অসিনি নিপা অসি য়াম্না কন্তে মাবু শোয়দনা ফাঁসী তৌবিয়ু।

বাদশাহসু বীরবলনা লাক অমা হায়রবসু ইকায়ৱোই হায়দোকখ্রে। হৌজিক ফাঁসী তৌরবসু জবান শোয়বা তাই। তৌরবসু শোয়গনি। অদুনা বীরবলগী বাহু থোদবা ওইনা ফাঁসীগী হুকুম ককথৎখ্রে।

বীরবলগী নিংবসু থুংলে অদুগা নিপাদুসু হিংহোরে।

শগোল মপু

মতম অমদা কৈরাক অমগী নিংথৌ অমনা বীরবলগী লৌশিং কৈরবগী চাং য়েংনিংঙশী। মহাক দিল্লীদা লাকএ। দিল্লী য়ৌজিনৈদা কিজেং ওন্থোকনা মশক কোংলম্মী। মহাকনা শগোল তোংদুনা

লাকপদা লম্বীদা খোংজেকপা অমা লৈরম্মী। মহাক্না য়াম্না নোমুক্না হায়জখি—"চ্রৈবু শগোল মথক্তা থম তোংহনবিয়ু। ঐ দিল্লী য়ৌগদবনি।" নিংথৌহুনা মহাকী মতৌহুদা ঙাইত্রহুনা শগোল্দা কাখৎহল্লে অমুগা মশানা খুজী পায়হনা লাকে। দিল্লী য়ৌরে। নিংথৌহুনা 'নিপা নহাক কুমথরো ঐ চংলগে' হায়রম্মী।

খোংজেকপহুনা নিংথৌগী মথুংতগী খুজীহু খঙশং শংহুনা মুমপা হায়রকই—"করি 'ঐনা শগোল অমতং তোংজবসিবু নহাক্না লৌরগে হায়বা?' চথো! নবা ঙানিংদে! নিংথৌহু য়াম্না ঙকখ্রে। মখোয়নি থংনরে। মতৈদা বাদশাহদা বাকংলে। বাদশাহনা বীরবলদা বিচার তৌনবা শিনরে—

বীরবলনা মখোয় অনিহু তোংঙান তোংঙানবা মফমদা মু ঙাইনা পোংথাহল্লে। শগোল অহুনা কোমুংগী শগোলশংদা থাজিনখ্রে। নোংঙাম্নগা অয়ুক্তা নিপা অনিহু কৌরে। শগোলশংদা পুরগা খোংজেকপা শাবা নিপ'তুদা বীরবলনা 'নংগী শগোলহু থম্লো' হায়রখি। নিপাহুনা ফনা কুইনা কোয়রেং য়েংলে অহবু শগোল মশক ঙাকপা ঙমখিদে।

নথংদা বীরবলনা নিংথৌহুদা শগোল থম্লো হায়খি। নিংথৌহুনা ইরায় লায়না খুদক্তা মাগী শগোলহু থন্দুনা পুথোরক্লে। বীরবলনা পুকচেল পীকপা খোংজেকপা শাবা নিপাত্ত দণ্ড পীখি। অকবর বাদশাহনা মীমুংশি থঙবা নিংথৌহুবু হয়াওনা মনা পীখি।

———

কপকদ্রা নোক্কদ্রা

নোংমা অকবর বাদশাহগী দরবারী পুম্নমক তিল্লে। বাদশাহদি লেংঙকত্রি। মহুগী ওয়াং হায়বদি হৌথিবা অহিংদা মহাক্তী মমা লৈথিদ্রে। অদুগা ঙাইহাক্তী মহুংদা মচা নিপা অমা পোক্লে। মরম অদুনা বাদশাহ মতম চানা দরবারদা লেংঙকপা ঙমদ্রে। ময়াম্না খল্লে। ঙসি বাদশাহ লেংঙকপদা ঐখোয় ময়াম কপকদ্রা নোকদ্রা?

মমা লৈথিদবগী দমক বাদশাহ মুংঙাইরম্মদবা য়াই অদুবু মজা-ইবুংঙো অমা যংজবগী দমক হরাওরম্বা য়াই। হাকম অসি ময়ামগী-দমক মুমা হন্ননিংঙাই ওইরে। অমনা অমা হায়, অমনা অমুক অতোপ্পা মরোল অমা পুথোকই। অম্মা থৈদোক অদুদা ময়ামগী অরেপ্‌পা র'য় অমত্তা ভাবা ঙমদ্রে।

মমৈদা বীরবল লাক্লে। ময়াম্না হাকম অতু মাঙোন্দা থঙহল্লে। বীরবলনা হায়রক্লই—'ময়াম্না র'য়বদু থোইদোক্না খন্ননিংঙাই ওইদে। হৌজিক ময়াম চংতুনা হংজুবগী দরকারস্ত ওইদে ঐখোয় অম্মম লৈসি। হোরেল বাদশাহনা লেংঙকপা মতমদা মহাক্তী মায়থোংদা অমাবা মঙং উরবদি ময়াম্মক অবাবা উংসি। কল্লস্ত য়াওসি। বাদশাহনা হরাওবা উরগনা ঐখোয়শু হরাওসি, নোকসি। বীরবলগী ৱাহ ময়াম্না হরাও হরাওনা য়াখি।

ৱাহং পাউখুম

বীরবলগী মায়োক্তা বা ৱাংবা কাংবু থরদি ইতংতত্না লৈরম্মী। অকবরনা মতাং চানা বীরবলগী মতিক চাবগী প্রমাণ পীনবা হোংলে। নোংমা অকবরনা ৱাহং খর শেম্লগা দরবারদা পুরক্লে। পাউখুম চুম্না পীবা ঙম্বা মীদা মনা পীগনি অমদুং মতিক চাবা কম হাপকনি হায়না লাউথোকখি ; ৱাহংশিংচুদি :—

১। খ্বাইদগী অখোইবা লৈ করিনো ?

২। খ্বাইদগী অখোইবা মচিন ?

৩। খ্বাইদগী অখোইবা মহয় ?

৪। খ্বাইদগী অখোইবা চিঙ্কাক ?

৫। খ্বাইদগী অখোইবা মরূপ ?

৬। খ্বাইদগী অখোইবা গুণ ?

৭। খ্বাইদগী হেন্না থুম্বা পোৎ ?

৮। নোংচুবা পাম্বা মী কনানো ?

৯। মুংশা শাবা পাম্বা মী কনানো ?

১০। মনিন মখোল থোকপা পামদবা কনানো ?

১১। মতমগী খয়াম্বা লুপ্তবা পোৎ করিনো ?

১২। মতমলৈবা মিবিক্তা হেৎনগৎতুনদা লৈবা পোৎ করিনো ?

মী থরদি মখোয়না খঙজবা অমম্তং নীংজবা পাউখুম পীনরকখি। অদুবু বাদশাহনা নীংবা পাউখুম ফংজে। বাদশাহনা বীরবলদা পাউখুম পীয়ু হায়খি।

বীরবল :— বাদশাহ হুজুর—অখোইবা লৈদি লশিংনি। অখোইবা মচিনদি লাঙ্গোলগী য়োংচিনি।

অখোইবা মহৎদি পোকচবা মচানি।
অখোইবা চিজাকি লাইজ ঈশিংনি।
অখোইবা মরুপ্তু মহৈনি।
অখোইবা গুণদি খৌন কবনি।
খুইদগী থুম্বা পোৎতি মাহৈ খোনকম মুংশিবনি।
লোংচুবা পাম্বা মীদি লৌমীনি।
মুংশা পাম্বদি খোবীনি।
য়াবা মখোল খোকপা পামদবা মীদি হুরানবনি।
মৎমা মাগুহংবা ডমদবা পোৎতু অকবা মিংচৎনি।
মতম পুম্নমক্তা অরেপ্পা লৈতবা হেনগৎপদি 'কল্লক-মীহৌব'নি।

দরবারগী পুম্নমক ওক্লা য়েংনখি। অকবরনা বীরবলগী পাউখুম-শিংদু য়ানিংখি অমসুং পেক্কচুনা মনা-মথুম কয়ামুক পীখি। বীরবলগী য়েক্কবা মথৈ তুমিন-তুমিন্না হয়্যখি।

করেম-কথাইনবা ঐগী নুপীবু কাউখে

বাদশাহ অকবরগা বীরবলগা ইতংতম্বনা করেম কথাইনরম্মী। নোংমা মখোয়নি ফাগি তৌনবদা বাদশাহনা হায়রকই — বীরবল নহাক্কী নুপীদু মশক য়াম্না ফজংখ্রে, করিগুম্বা অরাংপা অমত্তা লৈতে কৌজেবো।

বীরবলনা খুমকই — সরকার ঐন্দু অহানবদদি অস্নুম্না খঙরম্মী। অদুবু বাদশাহগী বেগম রাণী উরুংদগী ঐগী নুপীবু পুমকাউ কাওখ্রে।

বাদশাহ ইকাইখ্রে নুমিৎ অদুগী কাগীদু লোইশিনখ্রে।

হুইগী ফমনাইবা

নোংমা দরবার লোয়রগা মন্ত্রি ময়াম হারেম ওংহুনা লৈরম্মী। অবুল ফাজলনা বীরবলদা কাগী হোরকই - 'বীরবল' সাহেব নহাকপু বাদশাহনা ওসিদগী হৌনা হুইগী ওফিসার হাপখ্রবনি।

বীরবলনা তম্না খুম্মকই — 'য়াম্না ফরে অদু ওইরবদি ফাজল সাহেবন্দু ওসিদগী হৌনা ঐগী হুকুম মথাদা লৈবা তারেদনা।

অবুল ফাজলদু ইকাইবনা মমাই মকপিনখি।

থা অনিনা থা অমা শাবা

নোংমা অকবর বাদশাহনা বীরবলদা হায়খিবা "বীরবল ওসিদগী চৌনা থা অনিনা থা অমত্তা শাকসি। ওলব পীবা অমন্নুং ওতৈং অতৈ হিসাবনচিংবা সরকারগী থবক্তম্ম থুদোংচাবা য়ায়া লৈগনি খল্লি।

বীরবলনা খুম্মকই—'য়ায়া মুংঙাইনি হুজুর। থাবলম্নু অমা পুম্না থোক অনিদনা। চৌজিক্তি থাথায়দমক থোক্‌না কয়া মুংঙাইতে, মহু ভাবদা বাদশাহ মথ তানা বা হাওবিত্রে।

হুজুরগী নবুবোক্লি

নোংমা বাদশাহ অকবরগা বীরবলগা শগোল অমমম ভোংলহুনা কোইবা চৎমিমৈ। অকবর বাদশাহনা বীরবলদা করেমবা হৌরকই—"হং অশ্বপিদর তুমস্ত" মসিগী অথ অনি ওই মহু দ—

(১) শগোল অসি নংগী বাজীগীনি।

(২) শগোল অসি নংগী বাজীনি।

বীরবলন্নু হনবিবা জাং মত্তে মহাক্না অমুক খুম্মকই—"দাদ হুজুরস্ত" মসিগী অথন্নু অনি ওই মহুদি :—

(১) শগোল অসি হুজুরনা পীবনি।

(২) মসি হুজুরগী নবুবোক্লি।

বাদশাহ মথা তাবিত্রে।

বাদশাহনা অপঙবগী মকোক্নি।

নোংমা আরব দেশতগী শগোল লল্লোনবা কাঙবু অমা দিল্লীদা লাকই। মখোয়মা আরবী জাংকী ফজরবা শগোল কয়ামুক পুরক্লমই। অকবর বাদশাহনা শগোলশিংদু লৈরম্মী। বাদশাহনা অমুক্তসু ফজবা শগোল য়ম্না পুরকউ হয়না লল্লোলবশিংদুনা লুপা লাক্ষ অমা হয়মা এডভান্স পীখি। অদুবু ওনথোক্কপনি বাদশাহদু শগোল ফজবা উবদা হরাওমনগ্রদুনা লল্লোনবা মীশিং অদুগী মমিং অমসুং লৈফম অমত্তা হংহোদ্রে। মতম খর লৈরগা নোংমা অকবরনা বীরবলদা দিল্লী শহরদা লৈবা অপঙবা মামথৈ মমিং ইথংলক্নবা হায়খি। বীরবলনা অখুঙবা মীমথৈশিংগী মমিং পরেং অমা ইথংলকই। মদুদা অকবর বাদশাহগী মিংনা খ্বাইগী মক্লোক্তা ইরম্মী। মিংগী চে অদু পাথোকপা তারবদা বাদশাহনা শাওরদুনা বীরবলদা চৈরকই—"বীরবল নহাক্না করিগী ঐবু অমুক উাশঙবা থবক তৌরিবনো"? ঐবু নহাক্না অপুঙবগী মকোক্তা ইরিবসি করীগীনো ?

বীরবলনা নোল্লুক্না থুমকই—"বাদশাহ লাক্নবদা ঙাকশিয়ু খঙনদবদুদা লুপা লাক্ষ অমা মাঙজোননা শিথোকউবদু য়াম্না পঙবা মীনা তৌগদবা থবকনি। অদুনা ঐনা হুজুরগী মীংত্রঅসি মকোক্তা থমজরিবনি। অদুগুম্না অসিদা লৈরিবা মীং পুম্নমকী অপুঙবগী প্রমান অমমম লৈবা ঙাক্তনি।

বাদশাহনা হায়রকই—"অছুদি বীরবল লল্লোনবা নিপাছুনা অমুক শগোলদু পুরক্‌না পীরবদি কয়দোনি ?

বীরবলনা হায় —"হুজুর অদু ওইরবদি হুজুরগী মিং অসি ককথৎলগা মকমদুদা মহাক্কী মীংদু হেক্তা হংপকনি"।

বীরবলগী পাউখুম তাবদা বাদশাহ তুমিন লেপ্লে। ময়ামদু তুমিন তুমিন্না নোক্লখি।

ঐবু থুংনবা কুপশিল্লু

বাদশাহ অকবরগী দরবারদা অহৈ-অশিং পণ্ডিত কয়াম্না য়াওরি। বাদশাহনা অমম্বা মতাং তারকপদা বীরবলগা এা তান্নে। মসিদা অতৈনা বীরবলবু কন্তকই। বীরবলগী মায়োক্তা বা ওাংনবসি বাদশাহ মশামক্ত তারে। অদুনা বাদশাহনা মখোয়বু পাম্না অমা তম্বীনবগী থৌরাং অমা তৌরে

মরবারগী নাকন্দা কমুং অমা থাডল্লে মহাক্না চাদর অমা পাম্নরগা মতুদা মখোং তথেক্লগা হিপলে। অদুগা হায়রকই—"ফি অসিনা ঐবু থুংনবা কুপশিল্লু"।

বাদশাহগী হকচাংদি য়াম্না শাংই, কি অদুদি ইতেন তেল্লি। অদুনা কনা হোৎনরবসু কুপ্পা ইথু থুংদ্রে। অশিংবা অহৈবা মীওইশিংনা মথং-মথং চংদুনা কুপশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু কনা অমতনা অকবরগী হকচাংদু থুংনবা কুপ্পা ঙমখিদ্রে।

মী ময়াম্না ওমদ্রে থংলবদা বাদশাহনা বীরবলদা হায়রকই—"বীরবল ঐবু থুংনবা কুপাশনু"। ওসাইমথৈ তুংশিন্না কুপ্পে য়েংহুনা লৈরম্বা বীরবল ওম্না হোৌপংক্লে। মহাক্না বাদশাহগী মতি থোক্লিবা মথোং অহু থুংচিনাবিরে অহুগা মক অহুনা থু নবা কুপশিনবিগ্রে।

মহু উবদা মী ময়াম্না হায়রকই—"থোং থুংচিনবা য়াই হায়রবা থওলল্লবদি এখোয়গী কুপশিনবা ওমগনি"।

বাদশাহনা হায়রকই—"মসিনি অশংবা হায়বনু। নখোয়দা এনা হকচাং শোকপা য়দে হায়রাথদে। নখোয়না লোশং লৈতবাদ নত্তে। অহুবু মতাং চানা শিজিনবা ওন্দবনা মহু ঙরেম্ব, ওইরে। বীরবলদা অথোইবা গুণ কয়মুক লে মহাক্না মকম মতম অমসুং মওং খওই অহুগা থবক তৌবনু ওমই। মাসিবু অশংবা কৌই।

বীরবলনা কয়েম্নদুনা হায়রকই—

"বাদশাহনা শোয়রবাদা কি তৌরি হায়রব থওলবাদ থোং শাংনা তে থোকাপবা কারণীনো? অহুনা এনা থোং হেক কোনাশনবদান"।

বাদশাহ খোমোন নোকচাথ। বীরবলগী য়েক্লবমথৈ ছুমিন ছুমিন লৈনগ্রে।



বীরবল অপংবনি

দিল্লী সহরদা য়াম্না ইনাকখুনবা নিপা অমা লৈরম্মী মাগী মীনাই তরেৎ লৈরম্মী। নোংমদ মহাকী সনা-লুপা য়াম্না য়াওবা উপ অমা মাঙখ্রে মখোয় তরেৎকী মপুংদা অমনদি শোওদনা লুপা উপু অসি লৌরমগনি হায়না মানা থাজৈ। অদুবু কৎথুম্না শাখিনা অমত্তু ফংবা ঙমদে। মমৈথংদা মানা বীরবলদা হুরানবা ফাওনু হায়না বাকৎলুরে।

নোংঙাল্লগা বীরবলনা মীনাই তরেৎ লোয়নশনদা কৌথংলে। অদুগা শাংবা চপ মানবা ঠৈ তরেৎথক লৌখৎলুরে। চৈ অমমম পীরগা হ য়ুখি। ঙাক্নদি নখোয় মীকাশংদা লৈবা তারে। অদুগা চৈ অসি ননাক ননাক্তা থমগদবনি। বন গুপ্তা অতৈবা মাইবা অমনা মসি খ্রেঙেন্দা পীবনি। মগুন য়ুমনা থেংথ্রবা চৈনি। মখোয়সিগী মপাম্না খ্রেনা হুরানবা কয়া কাখ্রগনে। অদুগা অসিগী মপুংদা হুরানবা অদুগী চৈ অদুদি ময়াম্দগী খুদক অমা হেম্না শাংগদবনি মতুদা হুরানবা ফাগদৌরিবনি।

মখোয় তরেৎ অদু চৈ অমমম পীরগা কা অমমমদা তোঙান তোঙান থমখ্রে। হুরানবা নিপা অদুনা মতোমতা "বীরবল অপংবনি" হায়খি। মানা হাম্না তাকথোক্কদবদি ফগদবনি। তাকথোক্লবনিনা শাংদোকদবা খুদোল অদুমা হেক কৎথংপীরগা লোইরেদম্না অসি হায়দুনা হুরানবা অদুনা মাগী চৈ অদু অহিংদা খুদোল অমা চপচানা কৎথংলে।

মথংগী সুমিত্তা লোয়শংদা মখোয় তরেং অহু কৌহল্লুরে। বীরবলনা মখোয়গী চৈশিংহু লোয়গা ত্তলহনা য়েংলে। চৈ তরুক অমদি শাংবা চপ মাল্লে। চৈ অমদি ময়াম্বদগী থুদোল অমা তেনশিনল্লে। চৈ অত্তেনবা পায়রকপা নিপা অহু কারে।

বীরবলনা হায়রকই—" হুন্নানব নিপা অসিগী চৈ অসি শাং-দোকহনবগী মহৌংতা তেনশিনহল্লবনি। হুয়ানবা নিপা অহুদি মসিনি।

নিপা অহু য়াম্না মরৈ মরা তৌখি। বীরবলনা চৈ-হুবা মী কৌরগা তকথহনবদা মরোল অশেংবা ফংলে। মহাজনগী শেল পুরমক উপুগা কোমনা লোহললুরে। শেল অমা মপুদা পীবিরে। মহাকপু পুলিচতা থবক অমুক তৌহনখিত্রে।



ইন্দ্রনা চাউবরা; ঐনা চাউবরা ?

নো মা বাদশাহ অকবরনা দরবারগী পুন্নমক্তা হংললমী। "ইন্দ্রনা চাউবরা ? ঐনা চাউবরা" কনাগুম্বা অমতনা পাউথুম পীবা ঙম্মাখিদে, মমদি বাদশাহনা চাউই হায়রক্লবদু মরম পীদুনা হায়রক-কনি। ইনদ্রনা চাউই হায়রবসু বাদশাহনা শাউরককনি। তানজা-হুদা বীরবলদা থুংলরে। বাদশাহনা তনহং হংগি— "বীরবল..! নখোয়গী লাইনিংথৌ ইন্দ্রগা; ঐগা কনানা চাউই।

বীরবলন্ত অেখুম খুম্মী—' সরকার! ইন্দ্রদগী হজুরনা য়ায়া সাখিনা হেলদ্দী!

বাদশাহ;-- "মরম পীয়ু বীরবল"?

হুজুর— হিন্দু শস্ত্রগী মতৃংইয়া ব্রহ্মানা জীবা পুমমক শেম্মী। মহ ক্না ইন্দ্রগী মুর্ত্তি অমগা হজুরগী মুর্ত্তি অমগা শারগা ফনানা গুন হেনবগে হ য়না সের ফলাদা নাকল নাকল থাংগৎখি। বাদশাহনা লুপ্না হেমনশিবনা ফলাহ্ন মথাদা অমুম লৈরে। ইন্দ্রনা য়াংমনখিবনা ফলা নামহ্ন অা: মথক্না থাংগৎপ্রে। অহুদগী ব্রহ্মনা ওসি লাক্ন ফানবা ওমত্রবা পুথী অসিদা বাদশাহবু নিংথৌ হাপ-হিবনি। অহুপা ইন্দ্রবুনা অা; মথক্না লাইয়াবগী নিংথৌ ওইহুন্দুনা থমলিবনি।

বাদশাহ অকবরহ্ন মহ্ন তাবদা য়াম নোকখি। অহুবু মপুক্লিংঘদি থনখি—"মানা ওমথোকখ্রেদ্রো! কয়াদা হৈনা ইন্দ্রবুনা লাইগী নিংথৌ অথোইবা, ঐবুনা কন্নিস্থ লৈতবা ওইনা প্রমান তৌপ্রবনো!

ডিললিবা দরবারী পুমমক বীরবলগী পাউখুম তাবদা হরাওনখি

"চৈ চাম্মা য়েয়"

রাংগা গনেশকা পোৎকম অমতদা ললোননিবৈ। মরক মরক্তা লৌথোক-লৌশনসু তৌবৈ। মোংমা গনেশনা রাজগী লুপা লিশিং অমা কৌথি। মতৌমামা লৌনবনিমা থোইদোকপা সাথ প্রধানসু থমগোদে। গনেশনা শেল লিশ তোইদবগী চল্লি হৌথি। মতম অদু বীরবলগী বাহেল বিচারবু মীয়াম থাগৎনৈ। রাজা বীরবলগী লোইশংদা রাকৎলুরে: সংক র! গনেশনা নহাই এগী লুপা লিশিং অমা পুথ্রগা লিশ চু যাত্রে। হজুরনা অদুবা থোদোকো মতুংইন্না বিচার তৌবিয়ু"।

মথংগী নুমিৎতা বীরবলনা গনেশপু কৌহনলু র। রাজগী রাকৎ অদুগী মায়দা মহোন্দ বা হংথি। গনেশনা খুম্মী;— "হজুর রাজগা হবানিসি পোৎলম অমতদা অদুগা চাওবাক্কা মকম অমতদা লল্লোন-ইতিক তৌনিমৈ। অদুদা মানা এবু কললক্নবা হেক্তা হায়জিনবা পোৎনি। মাগী রাকৎ অদু তশেংনা অরানবনি। মীনস্থনি হায়না লৌবিয়ু"।

"ফরে ফরে চংলো" বীরবলনা মাবু থাদোকখে। মতম থর লৈরগা রাজ, গনেশ অমসুং অতোপ্পা লল্লোনবা নিপা অনিগা বীরবলনা মাগী লোয়নশংদা কৌথৎখ্রে। মথোৎগী মমাংদা ঘী চরু ৪ থক পুথোরক্নে। বীরবলনা হায়রকই:— এগী ঘী চরু মরিগি নথোয় ওনা অমমম য়োম্বোকউ। অসিৎপা মমলদা হেক্তা য়োম্বোকউ।

থম্ ভারবরু বেরা লৈতে। নখোয়গী শেন্দোং লৌহৌরগা অরেম্বদু এরোম্দা পীয়ু। বীরবলনা রাম অমস্তুং গনেশকী থক্কংদা সনা থাজেন অমমম, হাপাখ। ময়ুম য়োরগা রাম্মা ঘী শোদোকহনবদা সিনাহু থেংনরে। নোংঙামবদা রাম্মা সনাহু বীরবলদা পিম্নাখ।, মাসদগী বীরবলনা রামগী মথুক শেংবগী প্রধান অমা কাখ। গনেশনচু ঘা শোদোকহনবদা সনা থেংনাখ। মহাক্না রাম্মা হয়াও হয়াও সনাহু মচানিপাদা থমজিলহনাখ।

থানিং হখানগী মতুংদা মথোর লোইনবক বীরবলগী লোয়-শংদা ঘাগী মমল খিনবা লাকাখ। গনেশনা মাগী শেল পীবা মতমদা বীরবলনা হায়াখ— গনেশ। নহাকী থক্কংদা ঘী মন অমদগী সের অমা হেম্না হানাখবান"।

গনেশ— "মহারাজ। ঘাহু মন অমদগী সুবহেন হেল্লে.। য়াম্না নিংথিজনা ওনবা ঙাংলে। ইচানিপাহুমক উরবনি। হায়াশমব নত্তে"।

বীরবলনা তুনম্না থবক অতৈ তাইহাক তৌরগা মপান থোকখে। চমপাস অমদা হায়— "য়েংউ ইবুংঙো। নহাক গনেশকী হুকাল্দা তাইহাক চংলুচো। মচানপা অহল্দা নহানগী ঘী মমুংদা য়াও-রবা সনা থাজেন্দ্ পুরগা য়াম্না থুনা কোম্বুংদা লাকউ, নংগী বাবানা হায়রকপান হায়য়ু" বীরবল চংখ্রে। তাইহাক লৈরগা গনেশকী মচানিপাহু য়োরকলে। মহু উবদা গনেশতু হমাং অনগী কাংখ্রে।

বীরবলনা গনেশকী মচানিপাদা হায়রকই — "কদায় ইবুঙ্গো। সনা খাঙেনশি চু পুরকখবা নত্রা " ? " অহোয় চুজা পুজরকলে " হায়দুনা সনা খাঙেন্দ্রু বীরবলদা লানশনখ্রে। বীরবল— ইবুংঙো নংগী বাবানদি অনিনী হায়না ? অমদি পুরক্কবা " ? হংখি। মচানিপাদুনা ইওক ওক্লা মপাদা হংখি— " বাপী। খাঙেন অনি য়াওখ্রে? ঐ ওন্দ্রাদি অমত্তমক পিরগা " ?

" এ। করম্বা কন্দ্রা সনা য়াওরবনোনে ! য়াওদ্রু য়াওদনা। মসিগী অতাং অসিমা থোক, হেক তোরদনা" ? গনেশনা হায়রকই।

" ঘী থক্কং শোদোকহনবদা য়াওরম্বদুদা" ? মচানিপানা হায়।

গনেশ—" মসি অতাং আসাদ মী মাংহনগদোরে" ? অতাবা মীয়াম পুম্নমক লোইনা ভাব তৌনরে। বীরবলনা হংখই—গনেশ। নহাক্না লৌথবা য়ামগী শেল লুপা লিশিং অমত্তু শিংগত্রা শিং-তোইত্রা?...... সনা খরগীদমক্তা লমচৎ মাংহনবা ওথা নহাক্না শেল হাংলোইদবগী য়া লৈতে"।

বীরবলনা চৈ কুবা মী কৌশিল্লে — "চৈ চমা চৈরু" হায়রম্মী।—তাপ্তাদুদা মচানিপাদুনা হায়রকই— "বাপী নহানরাই — কাকা য়ামগী লুপা লিশিং অমা লোই হায়দুবু হৌজিক কাওবা শিংত্রিব য়নে ? শেলদু কোক, শিংদোখ্রবাদ কারগী বায়াখনকপ্রনি" ?

অতৈ পাখৈ লৈত্রদুনা গনেশপু শেল শিংজরগে হায়জরে। চন্দিপ্নু কংলে। লৈবাক পুম্নমক্তা বীরবলগী বিচারবু কোংনা থাগৎখি।

লৌশিং চাফু

মতম অমদা সিলোন (লংকা) গী নিংথৌনা অক বর বাদশা গা লৌশিং চাংয়েং য়েংনবা পামখি । মহাক্না লৌশিং লৈরবা মন্ত্রি অমা থাগ্রকখি । আগরা য়ৌরক্লে । বাদশাহগী দরবার চংলক্লে য়াম্না নোমুক্না হায়জখি—বাদশাহ সলামত ঐহাক লংকাদগী লাক-চবনি । লংকাগী নিংথৌনা বাদশাহগী মফমদা করিগুম্বা পোৎ থরদং নিজরকই—

অকবর—হায়য়ু হায়য়ু মেহমান । করি পোৎনো ?

মন্ত্রি— ভারত্তা লৌশিং য়াম্না হোৎনা কংভি হায়নৈ অদুমা বাদশা-হনা চানবিহনা লৌশিং চফু অমতা থবিরকউ হায়জরকই ।

অকবর ইঙক ভফখি । অদুবু বীরবল লোমদা য়েঙকখি । দরবারী ময়াম্মক মুকম মুকম শোয়ে—করম্বা পোৎনো নে ? অঙকপা বানিদা । ওইথোক্কবা থৌদোকনিদা কদাইদগী বীরবলনা পাউথুম পীবা ঙমগদগেনে ?

বীরবল—হুজুর লৌশিং চফু পিবা ঙমগনি অদুদা মতম খজি-ক্কুংদি চংবা তাই । অকবর—মতম কয়া য়াম্না চংগনি ? বীরবল হাপ্তা অনিগী মতুংদা পীবা ঙমগনি হুজুর ।

সিলোনগী মন্ত্রী —ননাই ঐহাক হপ্তা অনিচু ভাইজগে অদুগা পোৎ অদুতংদি পুজাখিগে ।

অকবর — কয়ে বীরবল, মদু নহাক্না শোয়দনবা তৌরো । (মন্ত্রিদা) মান । নহাক হাপ্তা অনি ঐগী কোম্মুংদা পোৎথারো । অদুগা

লৌশিং পুন পুরগ চৎলো।

মন্ত্রি— য়াম্না ফগ.ন হুজুর।

বীরবল চৎখ্রে। মহাক্না চক্‌ শাবা নিপা নেক্লে। চক্‌ তরামুক লেরে অহূগা মই.রল অতম্বগী মপাল অদু চফ্‌ মহুং মমু দ থানরগা চাউহল্লে।

মুমিৎ থবদংগী মমু দা মাইরেলশিঙ্হু চক্‌ মহুংদা চক্‌গী অ.হাবদু থম্না থম্না চাউরে।

হাপ্তা অানগী মতুংদা বীরবলনা মাইয়েলশিংহু চক্‌গা কোমনা হেক্লে। ফি অভোবা মচেৎ মচেৎনা কুপশিনগা দরবারদা পুহলক্লে। বীরবলনা চক্‌শিংহু অকবরগী মমাংদা থিনপা— হুজুর, লৌশিং চক্‌ পুজরক্লে পিবা থবা য়ারগনি।

অকবর :—' ঙুংশিজরবা সিলোনগী মেহমান! নহাক্না হাপ্তা অানি য়াম্না বানা লেনবগীদমক বারোগনু 'হোজাক লৌসিং চক্‌ অাস লৌবিবো অদুগা সিলোনগী নিংথৌদা পীবয়ু।

সিলোনগী মন্ত্রিনা বীরবলদা হায়— মহারাজ চক্‌সি হাংদোক্লগা অমুক্তা য়েংবা য়াগদ্রা?

বীরবল— য়েংবিয়ু য়েংনিয়ু মন্ত্রিবর।

মন্ত্রিদুনা চক্‌দা কুপলবা ফি অভোবদু হাংদোকখি। বাহ! চক্‌দু পিকথনবা অসংবা মাইরেল অমা য়াওরমলে। মহাক্না য়াম্না ওক্না বীরবলদা অমুকয়েংঙিঅকবরদা অমুক য়েংঙি।

বীরবল — মন্ত্রিবর! সিলোনগী নিংথৌনা পাম্বিরবদি চক্‌ অতৈমু

লৈজরি লৌখিবা য়ানি হায়রিবিয়ু।

মন্ত্রি—বাদশাহ! অরানব ভাকশিগনি। লৌশিংগী লময়েন্দা থাঙ্গশেংনমক এহাক মায়থিরে। মসিগা লোয়ননা শিলোনশ মাম্মুখিরে। ননাই এহাক হন্থজরগে (চংখিবা) অকবর অমদি দরবারগী ময়াম্না চকশিংছু য়েঙগা বীরবলগী লৌশিংবু থাগৎনখি।

বাদশাহগী হাজাম।

বাদশাহ অকবরগী দরবারদা বীরবলগী মিংচৎ য়াম্না হেনগৎলম্মী। অদুনা মবু য়েংশিনবগু য়াম্না য়াওরম্মী। মী খরনা বীরবলবু নমথনব লৌতম্মরম্মী। মখোয়না কোম্নুংগী হাজম অমম্মুং অতোম্না জাদুগর অমগা নোকলম্মী। কাংবু অদুনা হাজামদুবু ওইজ-ওইথাক য়াম্না পিহুনা থেমলম্মী।

নোংমা বাদশাহগী শময়কপা মতমদা হাজামনা হায়রকই বাদশাহ! জহাননাহ! হুজুরগী পাবুংনসু ঐমা ককচবা শম অসিবু য়াম্না থাগৎপিরম্মী। অকবর—অদুনবু নহাকপু কোম্নুংগী হাজাম হাপলম্মিবনিদনা! হাজাম— হুজুরগী পাবুংবু স্বর্গদা করম্না পান্নমগদৌগে? খল্লুবদা য়ম্না মুংঙাইথব্রে।

অকবর—শিগ্রবা মীগীদমক অচংবনা খংবা য়াবা হৌনদেদা? হাজাম—অদুবু হুজুর য়াবা অমদি লৈ। অকবর—করম্না?

হাজাম—হাজুরগী দরবারগী য়াম্না হৈশিংবা মন্ত্রি অমা থম্লগা স্বর্গদা থাবা য়াগনি। ঐগী মরুপ জাদুগর লৈ। মহাকী জাদু মন্ত্রগী পাঙ্গম্না মী অদুবু স্বর্গ য়োহনগনি। অদুগা মকমদুগী জাও থংলুরগা

অমুক চহকচনবা ওয়গনি।

অকবর—নহাক্কী মথন্দা কনাবু থারবদি স্বর্গগী পাউ অপেংবা লৌবকপা ওগনি ? বাদশাহ - হুজুর ! বীরবল মহারাজবু থারবদি শেযদন থংক পুম্নমক পা থোরকপা ওয়গনি ! অতৈনাদ ওয়গদবা মান্দে।

অকবর—য়াম্মা চুম্মে, বীরবলনা ফবা তাই। অহাদ মহাক্পু থারসি। অদুদা মতৌ করম্মা চংহনগনি ?

হজাম— হুজুর। মোক্ষদা পোংলোয়শিং শেমগা মথক্তা মহাকপু কনহল্লগা মৈ থাগদবনি। জাদুগরগী মন্ত্রনা মহাক হরা বাদনা স্বর্গ য়োৎনগনি।

অকবর— য়াম্মা ফরে। অদুদ বীরবলগা অমুক্তং উনরগা কৈদোউঞ্জ চংপা ওয়গদগে হায়দুনা হংবা তারে।

দরবারদা অকবরনা বীরবলদা ওয়রীতু লোয়না পীরে। অদুগা কৈদোউঞ্জ চংপা য়াগদগে হায়না হংলম্মী।

বীরবলনা বাথল থর থল্লগা হায়রকই হুজুর স্বর্গদা চংপা অমসুং মফমহুদা মতম থর লৈবদা থরচ য়াম্মা চংগনি। অদুনা লুপা লাক্ষ অনি কাইথোকাপরো অদুগা থা অনি লৈরগা চংচরগে।

অকবর—য়াম্মা বীরবল শেল কাইথোক্লে। নহাক্না অদা চংলগা পাবুংগী অমাং অপা য়েংশিল্লু অদুগা পাউ থারকউ।

বীরবলনা মুহিং অদুগী অহিংদগী হৌনা লোম্মা মোংফম য়োবা ফাওবা শুরুং হুংলম্মী / থা অনিগী মতুংদা বীরবল স্বর্গ চংনবা

থোরাং লোইরে। মোংকম মথক্তা শিং শেম্মে। জাদুগরনা মন্ত্র শোল্লগা মৈ চুরে। মৈনা কম্‌। চাকথৎলকপদা বীরবলদি শিং মরক্তা লিৎথল্লগা শুকুং তাম্না চংখ্রে।

থা অনীরোম হৌখ্রে। মী পুম্নমক বীরবলবু কাউখ্রে। অকবরদি বীরবল লৈতবদা য়াম্না নুংঙাইরম্মদে।

বীরবলগী য়েক্নবা মী মখোশং অদুদি নে-না তানা লৈনখ্রে।

থা অহুমলোম বীরবল মশম-মনা ককথিল্লে অদুগা মকোই মরাংসু অমতা ককথিল্লে। মহাক্না স্বগ'গী ওইবা কিজোল শেৎচিল্লদুনা দরবারদা লাক্লে। অদুগা বাদশাহ হুজুর বীরবল স্বর্গদগী লাকচবে হায়না দরবারদা থুংলরে।

অকবরনা য়াম্না ঙক্না বীরবল। নহাক্কী শকওং শক্তা কিজোল অসি অঙকপনি স্বগদা ঐখোয় পাবুং করম্না লৈহৌই? বীরবল— হুজুর পাবুং বাদশাহ য়াম্না নুংঙাইনা লৈ অদুদা·········অরাৎপা অমাদি লৈরে। মচু স্বগ'দা ফংদে।

অকবরনা ভারতকী নিংথৌরেল ওইরবসু মপাগী অরাৎপসিদি মেনখৎপিবা ঙম্মরোইল্লা হায়না চিন্তা হৌতোই।

অকবর—বীরবল। মচানা ভারতকী বাদশাহ ওইরগা ইপাগী অনিংবা অমতং থুংহনবা ঙমল্লবাদ করি তৌগান হায়মু কাল্লনো?

বীরবল—হুজুর পাবুংদি ঙসিফাওবা মশম-মনা ককাত্র কোই ককাত্র স্বর্গদা পাবুংগী হাজাম লৈতে। মরম অদুনা মহাক্না নহা

ওইরিবৈদগী তৌনা পরজরবা মাগী শাহী হাজাম অসি য়াবরদি থুংমক থাবিরক্কবা য়াদে হায়না কন্না তায়রেহৌই ।

অকবর— অচুম্বনি বীরবল ঐগী পাবুংগী নিংরা থুংনবা ভুসিনক শাহী হাজাম অসি স্বর্গদা থারসি ।

হাজামতু কোরে । অদুগা মোংকমদা শিং শেমলে । শিং মথক্তা মাবু থাঙ্গংলে । মৈ চুবা হৌবদা শাহী হাজামতু গোংখোক্কে তৌরম্মী । অদুবু মীয়াম্না খৌরিনা পুন্নগা হাজামতুবু মৈদা থাখি ।

হাজামতুনা বীরবলবু মাংনবা তৌরকপগী কলনা মশা অমাং ওনখ্রে । মুমিং অদুদগী বীরবলগী য়েক্কবমথৈ তুমিন তুমিন লৈনখ্রে ।

ঐবু থুংনবা কুপশিল্লু

বাদশাহ অকবরগী দরবারদা অহৈ-অশিং পণ্ডিত কয়াম্নু য়াওরি । বাদশাহনা অরুবা মতাং তারকপদা বীরবলগা বা তামৈ । মসিদা অভৈনা বীরবলবু কল্লকই । বীরবলগী মারোক্তা বা ভাংনবসি বাদশাহ মশাকমক্তা তারে । অদুনা বাদশাহনা মখোয়বু পান্না অমা তক্বিনবগী খোরাং অমা তৌরে ।

দরবারগী নাকন্দা ফমুং অমা থাহল্লে । মহাক্না চাদর অমা পায়রগা মতুদা মখোং তিংখোক্লগা হিপলে । অদুগা হায়রকই—

"কি অসিনা ঐবু থংনবা কুপশিল্ল" ।

বাদশাহগী হুকুমচাংদি য়াম্না শাংই ফি অদুদি ইতেল তেল্লি। অদুনা কনা হাংনরবসু কুপ্পা ইথু থুদ্রে। অশিবা অহৈবা মীওই-শিংনা মথং মথং কুপশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু কনা অমত্তনা অকবরগী হুকুমচাংদু থুংনবা কুম্না উখিদ্রে।

মী ময়াম্না ঙমদ্রে খংলবদা বাদশাহনা বীরবলদা হায়রকই — 'বীরবল ঐবু থুংনবা কুপশিন্নু"। ঙসাইমথৈ তুমিন্না কুইম্মে লেংদুনা লৈরম্বা বীরবল তপ্না হোৎংলক্লে। মহাক্না বাদশাহগী তং থোক্লবা মখোং অদু খুপাচনবিরে অদুগা কি অদুনা থুংনরা কুপাশনাবদ্রে।

মদু উবদা মী ময়াম্না হায়রকই— খোং খুপচিনবা য়াম্না হায়বা খঙলম্লবদি ঐখোয়সু কুপশিনবা ঙমগনি।

বাদশাহনা হায়রকই— মসিনি অশিংবা হায়বদু। নখোয়দা ঐনা হুকচাং শোকপা য়াদে হায়খিদে। নখোয়দা লৌশিং লৈতবদি নত্তে। অদুবু মতাং চানা শিজিন্নবা ঙমদবনা মদু অরেম্বা ওইরে। বীরবলদা অথোইবা গুণ কয়ামুক লৈ। মহাক্না ফম্ম, মতম অমম্বুং মওং খঙই অদুগী মতুংইন্না থবক তৌবসু ঙমই। মাসবু অশিংবা কৌই। বীরবলনা করেমছুনা হায়রকই— বাদশাহনা শোয়বানদা কি তেল্লি হায়বা খঙলবদি খোংশাংনা তং থোকাপবা কারিগনো? অদুনা ঐনা খোং হেক কেনগিনবদনি।

বাদশাহ মোমোন নোকখি। বীরবলগী য়েক্লবমথৈ তুমিন তুমিন লৈনখ্রে।

অঙকপা মঙ

নোংমা বাদশাহ অকবরনা বীরবলদা হায়রকই— "বীরবল ঙসি অহিং ঐনা ওস্থোকপা মঙ অমা মঙই ঐখোয়নি আকাশতা পাইদুনা য়াম্না নুংঙাইনা কোইরম্মী। খঙহৌদনা মখাদা তাংক্লে অদুবু ঐনা খোইহৌগী কোম অদদা তারম্মী। নহাক্না অমাংবগী কোমদা তারম্মী। নহাক্না নথব য় নুংঙাইরমদববু ওস্থোক্না য়েংবা নুংঙাইখিব্রেদা।

বীরবলনা হায়রকই— বাদশাহ অঙকপনি ননাহ ঐগী মঙদু মদুমক তৌরম্মী। অদুবু বাদশাহগীনা খর ঙম্না মীকপ থোকখ্রে। ঐগীদি অমুক্কম্ থাংথরম্মী। বাদশাহম্ খাইহৌগী কোমদগী কাথং-লক্লে অদুগা ঐম্ অমাঙশঙ মমু দগী কাথংলক্লে অদুদা মকম অদু ঊশিং অ-ত লৈরমদে অদুদগী ঐনা বাদশাহবু লেকথোকই বাদ-শাহনা ঐগী হকচাংদা কেক্লম্মী। অদুদগী মীকপ থংখোক খোক্লে।

বাদশাহ ইকায়খগ্রদুনা তুমিম্না লৈখি।

নিনি পানবা থাজ

নোংম বাদশাহ অকবরনা বীরবলবু কাবুলদা চংনবা হায়খি। লৈব কী অকবা হিরমগীদমক্কি। বীরবলনা মী লোয়নননা কাবুলগীদমক

খোংশানশ্রে। কাবুলগী ওমথৈ চংখিবা মতমদা পুলিসনা মখোয়বু চিংনতুনা কাগ্রে। কোন্নুংগী দরবারী কৌথোক্লগা বীরবলদা হংহনখি-

নখোয় কদায়দগীনো অতুগা করি থবক্টী লাকপনো?

বীরবলনা অচুম্বা মরোল পুম্নমক খুম্লে। কাবুলগী বাদশাহনা বীরবলগী মখিংদি হায়া ভারে। অতুনা মহাক্না বীরবলদা হংলকই—বীরবল নৈবাক অসি করম ভৌই?

বাদশাহ কাবুল হায়বসিদা ঐদি অহানবা লাকচৰ্ন। অতৈ মতমদা ফংলা ওইবনো হায়বদি থংজদে হৌজিকমক উবদি য়াম্না ফজগ্রে। পৃথিবীগী স্বর্গনি হায়বা য়াই।

বাদশাহনা অমুক হায়রকই— নখোয়গী বাদশাহগা ঐগা ফনানা হেন্না গুণ লৈ?

বাহং অনো বীরবলগী থম্মোয়দা চংথনা থাবকম্না নাগ্রে। মরমদি অকবরনা হেল্লি হায়রবস্থ বাদশাহতুনা শাওগদোরি অতুগা মহাক্না চেল্লি হায়রবস্থ অকবরনা। তাবগা মাবু দগি তৌগনি।

বীরবলনা খুম্মকই— অজিজাহ হুজুরদি পুর্নিমাগী থাজনি। মকাংবাম্না ঈংনা চংথোম্না ভাল্লি। য়েংবসি অপেনবা নাইদনা নিং-থিজৈ। নৈবাক অসিনগা বাত্ত—পাদবা ওইবনে প্রজানস্থ হুজুরগী গুণ শিংথানরি।

বাদশাহ অকবরদি নিনিপানবা থাজগুম পিকই মঙালস্থ লৈত্রি।

বীরবলগী পাউথুম ভাবদা বাদশাহত্থ হরাওবগী ওমথৈ লৈখিদ্রে। মনা পিথিবিরতুনা নিংথিনা বিদায় তৌবিরকই।

বীরবলখোয় হিন্দুস্থান্দা হল্লক্লে। মতম থরগী মতুংদা বাদশাহ অকবরগী মাকোংদা বীরবলনা কাবুলদা থুরা পাউথুমতু য়ৌরক্লে। নোংমা অকবরনা হায়খি— বীরবল নহাক্না কবিগীদমক হাবুলগী বাদশাহবু পুর্নিমাগী থা ওইহনবা অতুগা ঐবুনা নিনি পানবগী থানি হায়রবা নং ঐবু উশিত্তরা ?

বীরবলনা নোল্লুক্না খুমখি— হুজুর অচুম্বা অর্থদি অতোপ্পা অমনি। পুর্নিমাগী থাজনা ফজবদি নোংমতনি নোংতাম্নবদি মমথ-প্রগনি। মতাম অমু ফজরেয়াই। অতুগা থাগী মগুণ লোইপ্রবনি। নিনি পানবা পাংফি মুমিৎ ১৪ নি চুপ্প নোংম-নোংমগী ফজবা হেন-গৎলকদৌরিনি। মুসলমানশিংগী 'ঈদ' হায়রবসি মগুণ লৈবা নিনি পানবা থাদা থোক্লিবসি মতুংগীদমক্নি। হিন্দুশিংনম্ম নিনি পানবা থাজক পূজা তৌনৈ। নিনিগী থাজগী গুণ শিংথাবদা লোইবা নাইদে। মরম অতুনা বাদশাহগা কাবুলগী বাদশাহগী প্রমান তৌজ-বনি। কাবুলগী বাদশাহনা অথ অসি খ দবদগী ঐবু হিংনা থাদোক-পিরকপনি। অর্থ খংলম্নবদি বীরবল পুন্সি লোইরে হুজুরগীদমক থরায় য়োঙ্খোকচকবনি। বীরবলগী পাউখুম তাবদা বাদশাহনা মাবু মনা পীখি। অমুম্না বীরবলনা মাইকৈ অনিমক্তগী মনা কংখিরম্মী।



ইশিং অশাবা বারতিন অমা পুরকউ

লোংমা থাউরোনবা নিপা অমগা শায়োনবা নিপা অমগা কন্না থংনবদগী মীয়ায়া বিচার তৌহন্নবগী দময় বীরবলদা লোয়শংদা পুরকখি। শায়োনবদুনা হায়জখি— 'হুজুর ননাই ঐ শায়োনবগী কমজংনি। তেলী অসিনা ঐগী হুকান্দা থাউ কৈয়ু হায়দুনা থাদ্রে। ঐনা লিক্লি লোথোকপা চংশিল্লৈদনা মানা ঐগী শেঙ্গাওসি লাকখ্রে। ঐনা ফারগা মুনবদা মান। ঐগীনি হায়দুনা পীয়োইদবগী তৌরিবনি।" অদুদগী থংনদুনা লোয়শংদা য়োজরক্লিবসিনি অচুম্বা বিচার তৌবিয়ু।"

তেলীদুনা হায়রকই— মহারাজ। মাগী বাসি তশোংনা মী-মঙ্গনি। ননাই ঐনা থাউ ওক্লিল্লৈদা মানা ঐগী শেঙ্গাওসি হেক্তা লাকপনি। ঐখোয় অনি থংনরগা ঐবু শেল লাকখ্রে হায়জিনবিরিবনি অদুনা মহারাজনা অচুম্বা বায়েল তৌবিয়ু।

বীরবলনা মখোয় অনিমকপু চৈ—থাংলদুনা অচুম্বা বা থংনবা হোংনখি। অনিমু মাগী মাগী বা অদুদা চপচানা লেপ্লে। বীরবলনা পিয়ন অমদা 'ঈশিং অশাবা বারত্তিন অমা পুরকউ হায়খি। ডাইহাক লৈরগা ঈশিং অশাবা পুরক্লে। বীরবলনা শেঙ্গাওদগী শেলশিংদু ঈশিং অশাবদা হৈথরে। শেলদা পকপা থাউরেকশিংদু ঈশিং অশাবগা থেংনবদা কোঙ্গোল ওন্দুনা মথক্তা ভাউথংলে। বীরবলনা শেঙ্গাওদু তেলীগীনি হায়বা থংলে।

বীরবলনা হায়রকই-- 'শায়ে'নবা চিঙ্গীবা ! নংনা করিগী তেলীগী শেল মুনগদগী তৌরিবনো ? অদুগন্সু মহাকপু শেন্নাকপনি হায়'জরলবা "? বীরবলনা মী মৈবা কৌরগা শাম্ভহন্নে। শায়োনবম্বু কপ্পুনা মতুংদা অমুক তৌজররোই হায়জখি। বীরবলনা মতিক চাবা জরিমানা লৌহৌরগা থাদোকপিখি।

লাম্না খুম্নবদি নঙক কেনগনি

চাকনিবা নিপা অমা মৈরম্মী। মহাক নিবদগী শেল যাম্না তুংশিনবা ঙমখি। মাগী শেলাশিংস্থ সনা ওইনা লেপশিন্নগা থম্মী। সনাছু যাম্লক্লে। ইমুংদা থম্বা কিরে। ইথোল চিথেক্তা নাসপতি পাম্বী অচৌবা অমা হৌই। মহাক্না নাসপতি মথোংদা কোম মচা অমা তৌথোক্লে। মহুদা সনাশিংছু ফুমছুনা থমলে। মুতিগী অয়ুক অমস্থং মুমিদাংবাইরমদা চং চংছুনা য়েংজি। খুংকম কায়দে।

নোংমদি অয়ুক্তা য়েংঙ্বদা নাসপতি মথোংছু তৌথোক্লগা সনাছু পুথ্রে। নিপাছু কপ্পা মথে কপ্পগা মমৈথংদা অকবরগী চরবারদা লাকলে। বাদশাহদা সনা থিবিয়ু হায়না খুরমজখি। বাদশাহনা হায়খি— "নহাক্তা সনাছু থিবিগনি। অছুনা মতম থর নহাক কোম্নুংদা অম্ছুম লৈরো। কপকছু।" সনা থিবগী থবক্তু বীরবলদা শিন্নরে।

বীরবলনা নিপাংগী রা ময়োলশিংদু মুম্ থলে। মুমিং তংা-নিগী মতুংদা বীরবলনা দিল্লীদা লৈবা মংইবা, কবিরাজ অমদি লাইয়েংবা হৈবা মীওই থুদিংমক কোৎংলগা তিলহল্লে। বীরবলনা ময়ামদা হংথি :— "নাসপতিগী মহৈ; মরা, মকু অমম্লুং মরংদ কংম্নবগুন করি করি য়াওই?" অতুগা মহুনা করম করম্বা লায়নাদা চম্বা। শিজিন্নগা য়াই "

মাইবাশিংন্তু মানা মানা খঙবা পূম্নমক লোইনা হায়নরকই, বীরবলনা মথং মথং মুম্না তাশিল্লি। মমৈদা অহল অমনা হায়রকখি— "নাসপতিগী মরাদি থোংঙাক্কী লায়নাদা অহেকপা ফংনা কান্নবা হিদাক্নি। অতুদসু নত্তনা মৈদা থাবগী মনমতুনা মুংশিং লমকৈ ফাওবা চেল্লি। অদুগা তাঙোইসু কামৈ। হন্দক্কুন্দু থোংঙাক্লা মত্তৌ থীনা নারবা নিপা অমা নাসপতি মরাদন লায়েংবদা ফগ্রে।"

বীরবল— "অনাবদুদি কনানো?"

মাইবা— "মহাজন হজারীমল নি হুজুর" বীরবলনা থুদক্না হজারীমলবু কৌহল্লুরে। বীরবলনা হংথি— "লালা! অদোমগী অনাবদু নাসপতি মরানা লায়েংবদা ফথিবনি হায়বসিবু অসেংবরা?" 'অসেংবনি মহারাজ' হজারীমলনা খুম্মী।

বীরবল— "অদুদি অদোমগী ইংখোলদুবু নাসপতি য়াম্না হৌরা?"

হজারিমল— "ঐগী ইঙ্খোলদদি পাম্বী অমা-অনি থক্তনি হুজুর। মতুনদু ওক্তুনা ঐগী থবক তৌবা নিপাহুনা কদায়দগীনো থিরুই হায়তুনা পুরকই মসিদি য়াম্না কামবা হিদাক্নি।"

বীরবল— "অহুদি মহাক্কী মীন'ইহ খব অমুক্তা কে'হল্লবা ত'রে।" মপান্দা লৈহৌবা মীন ইহ কে'সিলহল্লরে। বীরবলনা মীনাইহুদা য়ম্না শাউনা হঙ্কর্ই— "হায়! মীনাইহুপা! সেংনা খুম্মুক্কো! লাম্ন' খুম্নবদি নওক কেনগনি। নংনা মুমিদাং অথেংবদা লাসপতি মর' কুকথদা ঐগী সনা খ'ঙেন চাগা ফুমহুনা থম্নহু করিগী পুহুনা চংলি কদ'ইদা থম্মরে?" মীনাই নিপাহু বীরবলগী সকফম উবদা অমসুং য়াহংহু তাবদা ইশা-শাখৎখ্রে। পাউথুম পীবক'ও ঙমজদ্রে মহাক্না কপ্পুনা বীরবলদী মখো'দা ভুথি। বীরবলনা চপ্রোসি থাহুনা চৈফবা কৌহল্লরে' চৈনা অনিরক অহুমলস্তুং শাস্থবদা মীনাই নিপাহু মরোল চুম্মে। মহাক্না মনাশিংহু পুথোকচরগে হায়রুথি। অদুম্ন' চাকনিবা নিপাহু মাগী সনাহু অমুক হন্না ফংজথি। মীয়াম্না বীরবলগী লৌশিংবু থাগৎনথি।

নাতে শিজিন্নবা য়াদ্রেদনা

নোংমা দরবারগী থবক লোইরহুনা অকবর বাদশাহ অমসুং বীরবলনচিংবা মন্ত্রি ময়াম য়ারী শান্নরম্মী। মীয়াম অমম্ন বীরবলমা চাংব-শকথহু তানিংহুনা য়েংনরম্মী। বাদশাহনা হোদোরকই বীরবল মনা পঙবা মীশিংসি হিংবদা য়াম্না মুংঙাইতবা পোৎনিদা মীনা অমা হায় মানা অমা খুম তৌহুনা থবক শিজিন্নবা মুংঙাইথিদ্রে।

বীরবল— বাদশাহ থবক শিজিন্নবা মুংঙাইতবছুদি থরবু করিদা ক'রিগুম্বা মতমদ মী শিব: য়াবা থোদোকমু থোকহল্লি। করম বীর-বল? অক'বরনা হংলকই। বীববলনা ৱারী হৌয়কই—

কালুরাম কৌবা নিঙোল মবা নহা অমা লৈরম্মী। লুহোংবা কান্দদি মনা ৺ঙদে লুহোংলবা মতুং চহি অমা অনি লৈরগা মনা তাথিরে। নোংমা মাগী মকুবোক কয়া নারে হায়দুনা মহাক অনাবা হংবা চৎপা ভারম্মী। মকুবোক অচু কয়া নারদনা চৎতবমু য়াথিল্লে। মকু ময়ুমদা চৎপসি মহাক পামজদ্রবনি অদুবু তঙ ইকদ্রবা ঙংগ্রে। মহাক ইকাইবা নংবা তারে খল্লুবদা অহিং তুম্বা য়াথিদ্রে। মহাক্না করিগুম্বা থৌওং অমা তৌরগে খল্লক্লে। মহাক্না থোরাং অদু চেদা ইথোক্লে। অদুগা মদু চিনফা পুনবা হোংনরে।

কালুরাম্মা খল্লি হৌরেল ঐনা হেক য়োবগা হায়না চংশিন্দুনা ইকুবোক্কী মখোং পায়রগা হংগনি ইকুবোক হকচাং থর মুংঙাইবি-রব্রা? করম তৌবিরিবগে? মহুদা মকুবোক্না থুম্মকান অঙাং হান্নগীদি নত্ত্রে থরদি মুংঙাইবগুম তৌই। অদুদা ঐনা অমুক হংগনি— ইকুবোক হিদাকতি করি করি শিজিন্নবিরিবগে? ইকু-বোক্না য়াম্না কবা হিদাক অমা হায়বকনি মদুদা ঐনা এং ইকুবোক মদুদি শিদাহিদাক্তি হায়না থুমগনি। অদুদগী ঐনা মাইব হংগনি ইকুবোক্না মাইবগী মমিং হায়রকনি মদুদা ঐনা য়াম্না কথ্রে ইকু-বোক মঙোল্লা শিরথোক্লবদি য়াম্না থুনা অবাবা পুমমক কোক্লগনি হায়না থুমগনি।